দাদা ভগৱান প্ররুপিত

# ঐ কনানো ?



ইশামকনা 'ইশামক'পী কনাদা হাওবা খঙদনবা লৈগনি ?

'ইশাবু কনানো'

মদুবু খঙবা দরকার ওই।

Manipuri

দাদা ভগৱান প্ৰরুপিত

# ঐ কনানো ?

‘Edited by Dr. Niruben Amin and Translated in Manipuri by Followers ’

**Publisher** : **Mr. Ajit C. Patel**

Dada Bhagwan Vignan Foundation,

1, Varun Apartment, 37 ,Shrimali Society,

Opp. Navrangpura Police station,

Navrangpura Ahmedabad: 380009

Gujarat, India.

Tel:  +91 79 3500 2100

© : **Dada Bhagwan Foundation**

5, Mamtapark society, B/h. Navgujarat College,

Usmanpura, Ahmedabad-380014. Gujarat-India.

Tel:  +91 79 3500 2100

*All Rights Reserved. No part of this publication may be shared, copied, translated, or reproduced in any form (including electronic storage or audio recording) without written permission from the holder of the copyright. This publication is licensed for your personal use only.*

**ভাব মমল** : ‘পরম বিনয়’ অমসুং

‘ঐ করিগুম্বা অমত্তা খঙজদে’, হায়বা ৱাখল্লোন !

**Price** : 20 Rs.

**First Edition** : June, 2021 (500 Copies)

**Printer** : Amba Multiprint, B-99, Electronics G.I.D.C,

K-6 Road, Sector-25, Gandhinagar-382044

Phone : +91 79 3500 2142

# ত্রি-মন্ত্র

নমো অরিহন্তানম

নমো সিদ্ধানম

নমো আয়রিয়ানম

নমো উবজজায়ানম

নমো লোয়ে সব্বসাহুনম

এ্যায়সো পনচা নমুক্কারো ;

সব্ব পাবপ্পনাশনো

মঙ্গলাণম  চ  সব্বেসিম ;

পঢমম হবই মঙ্গলম   ১

ওঁ নমো ভগবতে বাসুদেবায়   ২

ওঁ  নমঃ শিবায়   ৩

জয় সৎ চিৎ আনন্দ

# আত্মাজ্ঞান ফংনবগী প্রত্যক্ষ (ডিরেক্ট) লিঙ্ক !

‘ঐনা মীওই খরবু ঐহাক্কী খুত্তগী সিদ্ধি শিন্নরমগনি । মতুংদা দরকার ওইনেকো ওইরোইদ্রনে ? মতুংদা মীয়াম্না লম্বীদি দরকার ওইনেকো ?’

**– দাদাশ্রী**

মতোনলোম্না খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদা ভগৱান (দাদাশ্রী) খুঙ্গ কয়া-কয়া, দেশ-বিদেশ কোইনা চৎতুনা মুক্তিবু ফংনিংলিবা জীবশিংবু সতসঙ্গ অমদি আত্মাজ্ঞানবু ফংহল্লমই । দাদাশ্রীনা লৈরিঙৈদা খুরুমজনিংঙাই ওইরবা ডা. নীরুবেন অমীন (নীরুমা)বু আত্মাজ্ঞান ফংহন্নবগীদমক্তা জ্ঞানসিদধি পীরম্মী ।

দাদাশ্রীনা হকচাং থাদোক্লবা মতুংদা নীরুম্‌না মদুগা চপ-মান্ননা মুক্তিবু ফংনিংলিবা জীবশিংবু সতসঙ্গ অমসুং আত্মাজ্ঞান ফংহন্নবগীদমক্তা নিমিত্ত ওইবগী ৱাখললোনদা পাংথোকলম্মী । খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দীপকভাই দেসাইবু দাদাশ্রীনা সতসঙ্গ তৌন্নবগীদমক সিদ্ধি পীবিরম্মী । নীরুমানা মহাক্কী অশীর্বাতগী খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দীপকভাইবু ২০০৩ তগী দেশ-বিদেশকী খুংঙ্গ-শহর পুম্নমক্তা চৎতুনা আত্মাজ্ঞানবু ফংহল্লম্মী; ইং২০০৬ তা খুরুমজনিংঙাই ওইরবা নীরুমানা হকচাং থাদোক্লবা মতুংদসু চৎথরি । মসি আত্মাজ্ঞান ফংলবা মতুংদা, মুমুক্ষু (মুক্তিবু ফংনিংলিবা মীওই) লিশিং কয়ানা সংসারদা লৈদুনা মথৌ-পুন্নমক পাংথোক্তুনা মুক্তিদা লৈদুনা আত্মাদা লৈবগী নুংঙাইববু অনুভব ওইরি ।

গ্রন্থ অসিদা নমলিবা ৱাহৈশিং মোক্ষার্থিশিংবু লম্বী-লমজিংবগী মওং-ওইনা থ্বাইদগী ৱাংবা কান্নবা সিদ্ধ ওইসনু, তৌইগুম্বসুং মোক্ষ ফংন্নবগীদমক্তদি আত্মাজ্ঞান ফংবা মথৌ তাই । অক্রম লম্বীদগী আত্মাজ্ঞানবু ফংবা অসি ঙসিসু চৎথরি, মসিগীদমক প্রত্যক্ষ আত্মাজ্ঞানীবু ঊনাদুনা আত্মাজ্ঞান ফংনবা হোৎন্বা মতম অদুদা ওইথোকপা য়াই । চাকলিবা মৈরিনা অতোপ্পদা ৱাইরবদি চাকহন্বা ঙম্মী ।

# থঙহনজবা

জ্ঞানী পুরুষ মতোনলোম্না খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদা ভগৱানগী শ্রীমুখদগী অধ্যাত্ম অমসুং ব্যবহারজ্ঞানগা মরী লৈন্না ঙাংথোকলকপা ৱাহৈ, মদুবু রেকোট তৌদুনা খোমজিন্বা অমসুং নমথোক্তুনা  লাইরিক্কী মওংদা পুথোকচরি । তোঙান-তোঙান্বা সবজেক্টশিংগী মথক্তা থোক্লকপা সরস্বতীগী অঙকপা অদুগী খোমজিনবা মসি লাইরিক অসিদা তৌরি, অনৌবা পাবিরিবশিংগীদমক ৱরদান (বোর) মওং ওইনা খুদম ওইগনি।

পুথোকচারিবা লোন-হন্দোচবা অসিদা ঐহাক্না মরুওইবা চেকশিন্বা অসি থমজৈ মদুদি পাবিরিবনা দাদাজীগী ৱাহৈবু তবিরিবগুম, অসিগুম্না ইশা ফাওবা অসি ওইশনু হায়না, মসিনা মরম ওইদুনা করিগুম্বা মফমশিংদা লোন হন্দোক্লিবগী ৱাহৈপরেং মণিপুরি বয়াকরনগী মতুং ইন্না অশোয়-অঙামশিং য়াওবা য়াই, তৌইগুম্বসুং মসিদা নুঙগী ওইবা ৱাখল্লোন অদুবু খঙবিদুনা পাবিরবদি হেন্না কান্নাবা ওইগনি ।

পুথোক্লিবা লৈরিক অসিদা জগা খুদিংদা ব্রেকেটকী মনুঙদা উৎলিবা ৱাফম নত্রগা ৱাহৈ মতোনলোম্না খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদাশ্রীনা ঙাংথোক্লকপা ৱাহৈশিংবু থোইদোক হেন্দোক্না ময়েং শেংনা থঙনবগীদমক ইজবনি । হায়বদি মফম খরাদা অংগ্রেজি ৱাফমশিংগী মণিপুরি অর্থগী মওংদা থমজরি । দাদাশ্রী শ্রীমুখদগী থোক্লকপা গুজরত্তি ৱাহৈ মদুগা চপ মান্না ইটালিক্স তা থমজরি, মরমদি মদুগী ৱাহৈশিং অদুগী মণিপুরিদা অসিগুম্বা ৱাহৈ লৈতে, মদুগী মপুংফাবা অর্থ পীবা ঙম্বা । মসি নৎতবদা মদুগী ৱাহৈশিং অদুগী মান্নবা ৱাহৈ, অর্থগী মওংদা ব্রেকেটত পীজরি ।

জ্ঞানীগী ৱাহৈবু মণিপুরি লোন্দা চপ-মান্না হন্দোকপা ঙম্নবা হোৎনজৈ তৌইগুম্বসুং দাদাশ্রীগী আত্মাজ্ঞানগী অশেংবা নুঙগী ৱাখললোন, চপ-চানা চপ-মান্না মদুদি, অদোম্না গুজরত্তি লোনদা ওইনা হেন্না মমুৎতগনি । কনাগুম্বনা জ্ঞানবু থমথেংনা থঙগে হায়রবদি, জ্ঞানগী অশেংবা নুঙগী ৱাফমবু থঙগে হায়রবদি, মহাক্না মসিগীদমক গুজরত্তি লোনবু তম্বিয়ু, অসুম্না ঐহাক্না নোল্লুক্না থঙহনজরি ।

লোন হন্দোকপগা মরীলৈনবা অৱাৎপাশিংগীদমক অদোমদা ঙাকপীয়ু হায়জরি ।

We will appreciate your suggestion & grammatical mistake correction. You can give your valuable feedback  at  nlt.m@dadabhagwan.org

# Editorial

পুন্সিদা করিগুম্বা মাঙদা লাকপা পুন্নমক, মদুবু মপুংফনা রীয়লাইজেসন তৌদ্রিগে মীওইবনা মদুবু লৌদে । পুন্নমকপু রীয়লাইজেসন তৌরে, 'সেল্ফ' থক্তংদি রীয়লাইজেসন তৌদ্রি । থিঙমদ্রবা মপোক কয়াদগী 'ঐ কনানো' মদুগী শখঙবা অদুদি খঙদদুনা লৈরি, মরমদুনা মসি ঙাওচৎন্বা অসিগী পনথুংফম ফংদ্রিবনি ! মদুদি করমনা খঙগনি ?

মশামকপু খঙলবা অদুদি, মদুগী মীওই অদুনা মীওই অতোপ্পশিংবুসু ইরায়-লায়না খঙহন্বা ঙম্মী । অসিগুম্বা মতিক-মগুণ হায়বদি মশামক 'জ্ঞানী' থক্তনা ! জ্ঞানী পুরুষ, হায়বদি মহাক্না মসি সংসার অসিদা করিগুম্বা খঙগদৌবা অমত্তা, করিগুম্বা তৌগদবা অমত্তা লৈত্রবা মহাক অদুবুনি ! অসিগুম্না জ্ঞানী পুরুষ খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদাশ্রী, মসিগী মতম অসিদা ঐখোয়গী মরক্তা লাক্তুনা, ঐখোয়গী লোন্দা, ঐখোয়না খঙবা য়াবা অসিগুম্বা অরাইবা লোনদা, মীওই খুদিংগী মরু ওইবা ৱাহং 'ঐ কনানো ?' হায়বা অদুবু ইরায় লায়না পাওখুম পীরি ।

অসিদা নত্তনা, মসি সংসার অসি করিনো ? করম তৌনা চৎথরিবনো ? কনানা শিল্লীবনো ? ভগৱান করিনো ? মুক্তি করিনো ? জ্ঞানী পুরুষ হায়বনা কনানো ? সীমনধর স্বামী কনানো ? সন্ত, গুরু অমসুং জ্ঞানী পুরুষকা করি খেন্নবগে ? জ্ঞানীবু করমনা খঙগনি ? জ্ঞানী করি তৌবা ঙম্বগে ? মদুদা খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদাশ্রীগী অক্রম লম্বী করিনো ? ক্রমিক মওংদদি মোক্ষকী লম্বীদা মপোক কয়াদগী মথং-মথং কখৎতুনা চৎলি তৌইগুম্বসুং 'লিফ্ট' (এলিবেতর) অসিগুম্না মোক্ষকী লম্বীদসু ওইথোকপা য়াইদনা ? অক্রম লম্বীদগী, মসিগী মতম অসিদা, সংসারদা লৈরবসু মোক্ষ ওই অমসুং মোক্ষপু করম্না ফংগনি মদুগী মমুত্তনা খঙবা অমসুং অচুম্বা মাইকৈবু ফংন্নবগীদমক খুরুমজনিংঙাই ওইরবা দাদাশ্রীনা চৎথহল্লী ।

'ঐ কনানো' খঙলবা মতুংদা করমনা ইশাদা ফাওবগে, সংসার ব্যবহার পাংথোক্লগসু মপুংফানা নিরলেপ আত্মা ফম্দা ফম্বগী ইশাদা ফাওবা (অনুভব) অদু ওইথোকপা য়াই । অধি(ৱাখলগী অৱাবা)- ব্যধি(হকচাংগী অনাবা) অমসুং উপাধি (মপান্দগী লাকপা অৱাবা)দা লেপ্পা লৈত্রবা স্বস্মাধিদা লৈবা য়াবা, অসিগুম্বা অক্রম বিজ্ঞান ফংলবগী মতুংদা মহাত্মা লিশিং কয়াগী অনুভবনি ! মসি পুন্নমক ফংনবগীদমক পুথোকচরিবা থোমজিন্বা অসিনা মোক্ষপু পাম্বা মীওইশিংগীদমক মোক্ষকী লম্বীদা মৈঙাল ওইনা মাইকৈবু উৎপা ওইসানু হায়বা প্রাথনা ।

**- ডাঃ নীরুবেন অমিন**

# ঐ কনানো ?

## (১) 'ঐ কনানো' ?

### তোঙান্বা, মিং অমসুং 'ইশামক' !

**দাদাশ্রী :** অদোমগী মিংদি করি কৌবগে ?

**ৱাহং-হংলিবা :** ঐগী মিং চন্দুলাল ।

**দাদাশ্রী :** অশেংবমক্কী অদোম চন্দুলাল রো ?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয় ।

**দাদাশ্রী :** চন্দুলালদী অদোমগী মিংনি । চন্দুলাল অদোমগী মিং নত্তব্রা ? অদোম 'ইশামক' চন্দুলাল রো নত্রগা অদোমগী মিং চন্দুলাল রো?

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুদি মিংনি ।

**দাদাশ্রী :** হোয়, অদু ওইরবদি 'অদোম' কনানো ? করিগুম্বা 'চন্দুলাল' অদোমগী মিং ওইরবদি 'অদোম' কনানো ? অদোমগী 'মিং অমসুং 'অদোম' তোঙান্বা নত্তব্রা ? 'অদোম' মিংদগী তোঙাল্লবদি 'অদোম' (ইশামক) কনানো ? মসি ৱাফম অসি অদোম্না খঙইদনা, ঐনা করি হায়বা পামবগে ? 'মসি ঐগী অনোপ' হায়বদা অনোপ অমসুং ঐহাক তোঙানলিদনা ? মতৌ অসুম্না অদোম (ইশামক) মিংদগী তোঙানলি, অসিগুম্না হৌজিক মান্দব্রা ?

খুদম ওইনা হায়রবদা দুকানগী মমিং থম্মী 'জনরল ট্রেড্রস', মদুদি মরালদি নত্তেদনা । তৌইগুম্বসুং মদুগী মপু অদুদা ঐখোয়না হায়রবদি 'এ! জনরল ট্রেড্রস, মসিদা লাকউ ।' মদুদা মপু অদুনা হায়গনি 'ঐগী মিংদি জয়ন্তিলালনি অমসুং জনরল ট্রেড্রস মদুদি ঐগী দুকানগী মমিংনি।'

হায়বদি দুকানগী মমিং তোঙানলি অমসুং মপু মদুদগী তোঙানলি, পোৎশক তোঙাল্লী, পুন্নমক তোঙান-তোঙানলিদনা ? অদোম্না করি খনবগে?

**ৱাহং-হংলিবা :** চুম্মী ।

**দাদাশ্রী :** তৌইগুম্বসুং মসিদদি, 'নত্তে, ঐহাকনি চন্দুলাল' অসুম্না হায়গনি । হায়বদি দুকানগী বোডসু ঐ, অমসুং মপুসু ঐ ! অদোম চন্দুলালনি, মদুদি খঙন্নবগী ঊপাইনি ।

## অৱাবা ফাওরবদি, আত্মা সৱরুপ নত্তে !

হোয়, অদোম চন্দুলাল শুংনৎ-নত্তে হায়বদি নত্তে । অদোম চন্দুলালনি, তৌইগুম্বসুং 'বাই রিলেটিপ বিয়ু পোইন্ট'(ব্যবহারগী মীৎয়েং)দগী য়ু আর চন্দুলাল, ইস করেক্ট ।

**ৱাহং-হংলিবা :** ঐদি আত্মানি, তৌইগুম্বসুং মিং চন্দুলালনি ।

**দাদাশ্রী :** হোয়, তৌইগুম্বসুং হৌজিক 'চন্দুলাল'বু কনাগুম্বনা থিনা চৈরবদি 'অদোমদা' ফাওব্রা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** ফাওবদি ওই ।

**দাদাশ্রী :** অদু ওইরবদি অদোম 'চন্দুলাল'নি, 'আত্মা' নত্তে । আত্মা ওইরগদি অদোমদা ফাওরোই, অমসুং ফাওবনিনা, মরম অদুনা অদোম চন্দুলালনি ।

চন্দুলালগী মিংদা কনাগুম্বনা থিনা চৈরবদি অদোম্না মদুবু চেৎশিন্না-পাইশিন্বা ওই । চন্দুলালগী মিং পন্দুনা কনাগুম্বনা অফ-ফৎত হায়রবদি অদোম্না ফল্লাংদা না থমদুনা তাই । ঐখোয়না হায়, 'ভাই, ফল্লাংনা অদোমদা করি হায়বগে ?' মদুদা হায়, 'নত্তে, ফল্লাং নত্তে, মনুঙদা ঐগী মরমদা ৱারি শান্নরি মদুবু ঐনা তাবনি ।' কনাগী মরমদা ৱারি শানরিবনো ? মদুদা হায়, 'চন্দুলালগী ।' অরে, তৌইগুম্বসুং অদোমদি চন্দুলাল নত্তে । করিগুম্বা অদোম আত্মা ওইরগদি চন্দুলালগী ৱাফমবু ইশাগী মথক্তা লৌরোই ।

**ৱাহং-হংলিবা :** তশেংবমক্কীদি ‘ঐ আত্মানি’দনা ?

**দাদাশ্রী :** অদোম আত্মাদি ওইদ্রিদনা ? চন্দুলাল ওইরিদনা ! ‘ঐ চন্দুলালনি’ মসিদি অরান্বা ৱাখল্লোন্নি । অদোম্না ‘ঐহাক চন্দুলালনি’, অসিগুম্বা বিলিফ অসিনা য়ুম শাদুনা লৈখ্রে, মসি রোং বিলিফনি ।

# (২) বিলীফ-রোং, রাইট !

## রোং বিলীফ ময়াম অমা !

‘ঐ চন্দুলালনি’ মসিগী থজবা, মসি বিলীফ অসি অদোমবু, নুমিদাংদা মংদফাও কাওদেদনা ! মতুংদা মীয়াম্না ঐহাকপু লুহোংবিদুনা ঐঙোন্দা হায়, ‘নংদি মসি নুপী অসিগী মপুরোইবনি ।’ মরম অদুনা ঐখোয়না মতুংদা মপুরোইবনি হায়না লৌই । মতুংদা ‘ঐ মহাক্কী মপুরোইবনি, মপুরোইবনি’ তৌদুনা লৈ । কনাগুম্বনা মতম লৈবা থিবিক্কী মপুরোইবা ওইব্রা ? ডাইবোর্স তৌরবা মতুংদা মথংগী নুমিৎতা মহাক্কী মপুরোইবা লৈগদ্রা ? ৱাহন্থোক্তি মসি রোং বিলীফ পুন্নমক ফমজিন্দুনা লৈখ্রে ।

‘ঐ চন্দুলালনি’ মসি রোং বিলীফনি । মতুংদা ‘মসি নুপী অসিগী মপুরোইবনি’ মসিনা অনীসুবা রোং বিলীফনি । ‘ঐ বৈষ্ণনি’ মসিনা অহুমসুবা রোং বিলীফনি । ‘ঐ ৱকীলনি’ মসিনা মরিসুবা রোং বিলীফনি। ‘ঐ অঙাং অসিগী মপানি’ মসিনা মঙাসুবা রোং বিলীফনি । ‘মহাক্কী মাম্মনি’, মসিনা তরুকসুবা রোং বিলীফনি । ‘ঐ কুচু ঙৌই’ মসিনা তরেৎসুবা রোং বিলীফনি । ‘ঐ চহী নিফুমঙাসুবনি’, মসিনা নিপানসুবা রোং বিলীফনি । ‘ঐ মহাক্কী পার্তনরনি’ মসিসু রোং বিলীফনি । ‘ঐ ইনকমটেক্স পেয়ারনি’ অসুম্না অদোম্না হায়রবদি অদুসু রোং বিলীফনি । অসিগুম্না রোং বিলীফ কয়াম লৈরমগনি ?

## ‘ঐ’ মফম হোংবা নাই !

‘ঐ চন্দুলালনি’ মসি অহংকারনি । মরমদি ‘ঐ’ নত্তবা অদুদা, ‘ঐ’নি হায়দুনা আরোপ তৌরি, মদুগী মমিং অহংকার ।

**ৱাহং–হংলিবা :** ‘ঐ চন্দুলালনি’ হায়বা, মদুদা অহংকার করমনা ওইরিবনো ? ‘ঐদি অসিনি, ঐদি মসিনি’ অসিগুম্না হায়বা ওইরদি ৱাফম অমনি, তৌইগুম্বসুং ইচম–চম্বা মওংদা হায়রবদি, মদুদা অহংকার করমনা ওইরিবনো ?

**দাদাশ্রী :** ইচম–চম্বা ৱাখল্লোনদা হায়রবসু অহংকার কদায়দা মাঙবগে ? ‘ঐগী মিং চন্দুলালনি ’ অসিগুম্না ইচম–চম্না হায়রবসু মদুদি অহংকারনি । মরমদি অদোমগী ‘অশেংবা মশক’অদুদি খঙদে অমসুং ‘অদোম্না ওইদবা’ অদুবু আরোপ তৌরি, মসি পুম্বা অহংকার ঙাক্তনিদনা?

‘অদোম চন্দুলালনি’ মদুদি দ্রমেতিক পোৎনি । হায়বদি ‘ঐ চন্দুলালনি’ মসি হায়বদা করিসু কাইদে, তৌইগুম্বসুং ‘ঐ চন্দুলালনি’ মসি বিলীফ অসি থমলোইদবনি ।

**ৱাহং–হংলিবা :** হোয়, নত্রগদি ‘ঐ’ গী ফম অদু লাকই ।

**দাদাশ্রী :** ‘ঐ’ ‘ঐ’গী জগাদা ফল্লবদি অহংকার নত্তে । ‘ঐ’ অশেংবা জগাদা লৈতে, আরোপ তৌবা জগাদা লৈ মরম অদুনা অহংকার। আরোপ তৌবা জগাদগী ‘ঐ’ লৌথোক্লবদি অমসুং অশেংবা জগাদা থল্লবদি মদু অহংকার লৈত্রে । মসিনা তাকপদি ‘ঐ’বু লৌথোক্কদবা নত্তে, ‘ঐ’বু মহাক্কী একজেক্ট প্লেস(অক্কনবা মফম) অদুদা থমগদবনি ।

## ‘ইশা’না ইশাদগী খঙজদে !

মসিদি মপোক কয়াদগী ইশানা, ‘ইশা’দগী তুমিন্না (খঙদনা) লৈনবা হোৎনরি । ইশা, ‘ইশা’দগী খঙদনা লৈবা অমসুং মশাগী নৎতবা অদুনা পুন্নমক খঙবা, মসি অঙকপনিদনা ! ইশা, ‘ইশা’দগী মতম কয়াম কুইনা খঙদদুনা লৈগনি ? কদায় ফৌবা লৈগনি । ‘ইশাবু কনানো’ মসিবু খঙন্নবগীদমক্তা মসি মপোক্নি । মীওই মপোক অসি অসিগীদমক্তনি মদুদি ‘ইশাবু কনানো’ মদুবু থিজিন্নবা । নত্রগদি, মতম অদুফাও লমক্লদুনা লৈগনি ‘ঐ কনানো’ মসিবু খঙবা মথৌ তাইনেকো ? অদোম ‘ইশাবু কনানো’ মদুবু খঙবা মথৌ তাইদনা তাদবরা ?

# (৩) 'I' অমসুং 'My' বু থায়দোক্কবগী প্রয়োক !

## সেপরেট, 'I' এন্ড 'My' !

অদোমদা অসুম্না হায়রবদি Separate 'I' and 'My' with separator, অদু ওইরবদি 'I' অমসুং 'My'বু সেপরেট তৌবা ঙমগদ্রা ? 'I' অমসুং 'My' সেপরেট তৌগদ্রা নত্রগা তৌরোইদ্রা ? জগত্ত নোংমা নত্রগা নোংমদি থঙবা মথৌ তাইদনা ! সেপরেট 'I' এন্ড 'My' । হায়বদি শঙ্গোমগী সেপরেটর লৈদনা, মদুদগী শঙ্গোম মপান তোংঙান তাহল্লীদনা ? মদুগা চপ মান্না মসিসু তোংঙান্না থায়দোক্কদবা ।

অদোমদা 'My' গুম্বা করি পোৎ লৈবগে ? 'I' মতোমতরা নত্রগা 'My' গা লোইন্না লৈব্রা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** 'My' গা লোয়ন্না লৈ !

**দাদাশ্রী :** করি-করি 'My' নো অদোমদা লৈবা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** ঐগী য়ুম অমদি য়ুমগী পোৎ-চৈ পুন্নমক ।

**দাদাশ্রী :** পুন্নমক অদোমগী হায়দোইরা ? অমসুং ৱাইফনা কনাগী হায়গদোইনো ?

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুসু ঐগী ।

**দাদাশ্রী :** অমসুং অঙাংশিংনা কনাগী ?

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুসু ঐগী ।

**দাদাশ্রী :** অমসুং মসিগী ঘড়ী অসিনা কনাগী ?

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুসু ঐগী ।

**দাদাশ্রী :** অমসুং খুৎ অসিনা কনাগীনো ?

**ৱাহং-হংলিবা :** খুৎসু ঐগী ।

**দাদাশ্রী :** মদুদগী ‘ঐগী কোক, ঐগী হকচাং, ঐগী খোঙ, ঐগী নকোং, ঐগী মিৎ’ অসুন্না হায়গদৌরিব্রা ? মসি হকচাংগী পোৎ পুম্নমকপু ‘ঐগী’ হায়রি, মদুদা ‘ঐগী’ হায়রিবা ‘অদোম’ কনানো ? মদু থন্দব্রা? ‘মাই নেম ইজ [1]চন্দুলাল’ হায় অমসুং মতুংদা ‘ঐ চন্দুলালনি’, মসিদা ওন্না-তৈনবা মান্দব্রা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** মাল্লি ।

**দাদাশ্রী :** অদোম চন্দুলালনি, তৌইগুম্বসুং মসিদা ‘I’ এন্ড ‘My’ অনি লৈ । মসি ‘I’ এন্ড ‘My’ অনিগী রেল্বেলাইন তোঙাল্লী । পেরেলল ওইনা লৈ, করিগুম্বদফৌ অনিসি পুনদে । তৌইগুম্বসুং অদোম্নদি অমত্তনি হায়না থল্লী, অসুন্না থঙলগা মসিদগী ‘My’ বু সেপরেট তৌবিয়ু । অদোমদা লৈরিবা ‘My’বু, নকন্দা থমবিয়ু । ‘My’ হার্ট, মদুসু নকন্দা থমবিয়ু । মসি হকচাংদগী অতোপ্পা করি করি সেপরেট তৌগদগে?

**ৱাহং-হংলিবা :** খোঙ, ইনদ্রিয়া ।

**দাদাশ্রী :** হোয়, পুম্নমক । ইনদ্রিয়ামঙা, র্কমেনদ্রিয়ামঙা পুম্নমক। অমসুং মতুংদা ‘মাই মাইন’হায়ব্রা ‘আই এম মাইন’ হায়ব্র ?

**ৱাহং-হংলিবা :** ‘মাই মাইন’ হায় ।

**দাদাশ্রী :** ঐগী বুদ্ধি( Intellect) হায়দনা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয় ।

**দাদাশ্রী :** ঐগী চিত্ত( Chit) হায়দনা ?

---

[1] চন্দুলালগী জগাদা পারিবনা ইশাগী মিং খনগদবা

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয় ।

**দাদাশ্রী :** অমসুং ‘My’ ইগোইজম হায়ব্রা নত্রগা ‘I’ এম ইগোইজম হায়ব্রা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** ‘My’ ইগোইজম ।

**দাদাশ্রী :** ‘My’ ইগোইজম হায়রগদি মদুবু থাইদোকপা ঙমগনি । তৌইগুম্বসুং মসিদগী মমাঙদা লৈবা, মদুদা অদোমগী ওইবা শারুক, মদুদী অদোম্না থঙদে । মরম অদুনা মপুংফানা সেপরেশন তৌবা ঙমদে । অদোম, ইশাগী করিগুম্বা থরদংবু ওইনা থঙবা ঙমগনি । অদোম্না সথুল(মপাল থোং)গী পোৎপু থঙই, সুক্ষমা(মনুঙ)দি থঙদে । সুক্ষমাবু থাইদোকপা, মদুগী মতুংদা সুক্ষমাতর(অনিসুবা মনুঙ)বু থাইদোকপা মদুগী মতুংদা সুক্ষমাতম(অহুমসুবা থমথেংবা মনুঙ)বু থাইদোকপনি মদুদী জ্ঞানী পুরুষকী থবকনি ।

তৌইগুম্বসুং অমমম ওইনা সপেরপার্টস পুন্নমক মথং-মথং থাইদোক্লগদী ‘I’ অমসুং ‘My’ অনি অসিবু থাইদোকপা য়াইদনা ? ‘I’ অমসুং ‘My’ অনি অসি থাইদোক্লবা মতুংদা, অরোইবদা করি লৈহৌবগে? ‘My’ বু নাকন্দা থম্মু, অদু ওইরদি অরোইবদা করি লৈহৌবগে?

**ৱাহং-হংলিবা :** ‘I’

**দাদাশ্রী :** মদুগী ‘I’ মদুমক নশামকনি ! বস, মদুগী ‘I’ অদুবু রীয়লাইজ তৌগদৌবনি ।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু ওইরদি সেপেরেট তৌরবা মতুংদা অসুম্না থঙগদবনি মদুদি লেমহৌরিবা অদু ‘ঐ’ নি ?

**দাদাশ্রী :** হোয়, সেপেরেট তৌরবা মতুংদা লেমহৌবা, মদু অদোম ‘ইশামক্লি’, ‘I’ অদোম ইশামক্লি । মদুবু থিবা অদুদি মথৌ তাইনেকো ? হায়বদি মসিদি অরাইবা লম্বীনিদনা, ‘I’ অমসুং ‘My’ থাইদোক্লবদি ?

**ৱাহং-হংলিবা :** য়েংঙগদি লম্বীদি লাই, তৌইগুম্বসুং সুক্ষমাতর (অনিসুবা মনুঙ) অমসুং সুক্ষমাতম (অহুমসুবা থমথেংবা মনুঙ)বু তোঙান্না থাইদোকপদি য়াইদনা ? মদুদি জ্ঞানী নত্তনদি ওইথোকপা ঙমদে?

**দাদাশ্রী :** হোয়, মদু জ্ঞানী পুরুষনা থঙহনগনি । মরম অদুনা ঐহাক্না হায়রিসিনি, Separate 'I' and 'My' with Gnani's separator. মদুগী সেপেরেটর অদুবু শাস্ত্রকারশিংনা করি হায়বগে? ভেদজ্ঞান (তোঙান-তোঙান থাইদোকপা জ্ঞান) কৌই । ভেদজ্ঞান নত্তনা অদোম্না করমনা থাইদোক্কনি ? করম-করম্বা পোৎ অদোমগীনো অমসুং করম-করম্বনা অদোমগী নত্তে, মসি অনি অসিগী অদোম্না ভেদজ্ঞান থঙদে। ভেদজ্ঞান হায়বদি 'ঐগী'না মসি পুন্নমক্কি অমসুং 'ঐ' তোঙানলি মসিদগী। মরম অদুনা জ্ঞানী পুরুষকী মনাক্তগী, মহাক্কী টচ তা লৈরবদি ভেদজ্ঞান ফংগনি অমসুং মতুংদা ঐথোয়না থাইদোকপা ওই ।

'I' অমসুং 'My'বু থায়দোক্লবদি য়াম্না লাইদনা মসি ? ঐহাক্না মসিগী মওং অসি তাক্লিদনা, মসিগী মতুং ইন্না অধয়াত্ম অসি লাইব্রা নত্রগা লুব্রা ? নত্রগদী মসি মতমগী জীবশিংদি শাসত্র পা-পাদুনা দম লোইগনি ।

**ৱাহং-হংলিবা:** অদোমগুম্বশিংগী মথৌ তাইনেকো, থঙন্নবগীদমক্ত?

**দাদাশ্রী :** হোয়, মথৌ তাই, তৌইগুম্বসুং জ্ঞানী পুরুষতী য়াম্না তাংনা ফংই ! করিগুম্বা লৈরবদী, মতম অদুদা ইশাগী থবক লোইশিনহৌগদবনি । জ্ঞানী পুরুষকী 'সেপেরেটর' লৌগদবনি পুং অমরোমগী ওইনা, মদুগী ভারা-ৱারা লৈতে । মদুদগী সেপেরেট তৌহৌ। মদুদগী 'I'বু তোঙান তাগনি, নত্রগদি ঙমদেদনা ! 'I' তোঙান থাইদোক্লবদি থবক পুন্নমক লোইশিল্লগনি । শাসত্র পুন্নমক্কী নুঙগী ৱাফমদি অসিথক্তনি ।

আত্মা ওইগে হায়রবদি 'ঐগী' (মাই) পুন্নমক কৎথোকপা মথৌ তাই । জ্ঞানী পুরুষতা 'My' থুৎশিন্নবিরবদি 'I' মতোমতা অদোমগী নাক্তা লৈগনি । 'I' ৱিদ 'My' মদুগী মমিং জীৱাত্মা । 'ঐনি অমসুং

মসি পুম্বা ঐগীনি’ মদু জীৱাত্মা দশা অমসুং ‘ঐনি অমসুং ঐগী নত্তে ’ মদুনা পরমাত্মা দশা । হায়বদি ‘My’ না মরম ওইদুনা মোক্ষ ওইদ্রিবনি। ‘ঐ কনানো’ মসিগী জ্ঞান ফংলবা মতুংদা ‘My’দগী নাল্হোক্লে । ‘My’দগী নাল্হোক্লবদি পুম্নমক্তগী নাল্হোক্লে । ‘My’ ইজ রিলেটিব ডিপাটমেন্ট অমসুং ‘I’ ইজ রীয়ল । হায়বদি ‘I’ টেমপররী নত্তে, ‘I’ ইজ পরমানেন্ট । ‘My’ ইজ টেমপররী। হায়বদি মসিদা অদোম্না ‘I’ বু থিদোক্কদবনি ।

# (৪) জগত্তা মথক–থোংলিবা কনানো ?

## জ্ঞানী থক্তনা খঙহল্লী ‘ঐ’বু !

**ৱাহং–হংলিবা :** ‘ঐ কনানো’ মসিবু খঙন্বগী ৱাফম অসি, মসি সংসার অসিদা লৈরগা করমনা ওইথোকপা য়াবগে ?

**দাদাশ্রী :** মদু ওইরবদি কদায়দা লৈরগা খঙবা য়াবগে মদুবু ? সংসার নত্তনা অতোপ্পা করি জগা লৈবগে মদুদা লৈবা য়াবা ? মসি জগৎ অসিদা পুম্নমক সংসারী( নুপী–অঙাং লৈবশিং )নি অমসুং পুম্নমক সংসারদা লৈ । মসিদা ‘ঐ কনানো ?’ মসিবু খঙবা ফংবা অসিগুম্বনি । ‘অদোম কনানো’ মসিবু খঙন্নবগীদমক্তা মসি সাইন্সনি মসিদা মাঙদা । শিদা লাকঊ, ঐহাক্না অদোমবু খঙহনগনি ।

অমসুং মসিদা ঐহাক্না অদোমদা হংলিবশিংসি, মদু ঐহাক্না অদোমদা অসুম্না হায়বা নত্তে মদুদি অদোম অসুম্না তৌরগা পুবিরকউ । অদোমদগী তৌবা ঙম্বা নত্তে । হায়বদি ঐহাক্না অদোমদা করি হায়বগে হায়বদা ঐহাক্না অদোমগী পুম্নমক তৌবিগনি । মরম অদুনা অদোম চিন্তা তৌগনু। মসি হান্না খঙগদবনি মদুদি অশেংবগী ‘ঐথোয়’ কনানো অমসুং করিবু খঙবা মথৌ তাবগে ? অচুম্বা ৱাফম্না করিনো ? করেক্টনেশ করিনো ? ৱার্ল্ড করিনো ? পরমাত্মা করিনো ?

পরমাত্মা লৈব্রা ? পরমাত্মা লৈ অমসুং মহাক অদোমগী নাক্ত লৈ মপান কদায়দা থিরিবনো ? তৌইগুম্বসুং কনাগুম্বনা ঐথোয়গীদমক মদুগী থোং অদুবু হাংদোকপীরবদি দর্শণ তৌবা ফংগনিদনা ! মসি থোং অসি

অসুল্লা লোনশিনখ্রে, নুমিৎ অমত্তফাও মশানা হাংদোকপা ঙম্বা ওইদ্রে । মদুদি মশামক্লা লানথোকপা ঙম্বা, অদুগুম্বা তরণতারণহার(মশামক্লা তোর্ব্বান য়ৌবা ঙম্বা অমসুং মীয়ামবুসু য়ৌহন্বা ঙম্বা )জ্ঞানী পুরুষ থক্তগী থবকনি ।

## ইশাগী অরান্বনা ইশাগী মথক থোংলি !

ভগৱানদী অদোমগী ইশাগী সৱ-রুপনি । অদোমগী কনাগুম্বা মথক থোংবা অমত্তা লৈতে । কনাগুম্বা ইপা অমত্তশু মথক থোংবা লৈতে । অদোমবু কনাগুম্বা অমত্তনা করিসু তৌবা ঙমলোই । অদোম নীং-থা তম্বনি শুপ্পতগী ইশাগী অরান্বনা মরম ওইদুনা অদোমবু পুনশিল্লিবনি ।

অদোমগী ইথক-থোংবা অমত্তা লৈতে অমসুং অদোমদা করিগুম্বা জীব অমত্তগী খুৎ থিংজিন্বা লৈতে । অদুক্কী মশিং য়াম্বা জীবশিংনি, তৌইগুম্বসুং জীব অমত্তগী অদোমদা খুৎথিংজিন্বা লৈতে । অমসুং মসি মখোয়শিংনা খুৎ থিংজিনলিবসি, মদু অদোমগী অরান্বনা মরম ওইদুনা খুৎ থিংজিনলিবনি । ঐখোয়না (মমাঙদা) খুৎ থিংজিনখিবা, মদুগী মহৈনি। মসি ঐ ইশামক্লা 'ঊদুনা' হায়রিবনি ।

ঐনা মসি ৱাহৈ অনি অসিবু গেরেন্টী পীগে, মসিদগী মীওইবনা মুক্তা ওইনা লৈবা ঙমগনি । ঐহাক্লা করি হায়বগে,

'অদোমগী মথক থোংবা মালেম অসিদা কনামত্তা লৈতে । অদোমগী মথক থোংবা অদোমগী blunders অমসুং অদোমগী mistakesনি। মসি অনি অসি লৈত্রবদি অদোম পারমাত্মানি । '

অমসুং 'অদোমদা কনাগুম্বা অমত্তগী খজিক্তংফাও খুৎ থিংজিন্বা লৈতে । করিগুম্বা জীব অমনা অতোপ্পা জীব অমবু খজিক্তংফাও খুৎ থিংজিন্বা ঙম্বগী ফীবমদা লৈতে অসিগুম্বা জগৎনি মসি । '

মসি ৱাহৈ অনি অসিনা পুন্নমক সমাধান পুরকই ।

# (৫) জগত্তা  কনানা তৌবগে ?

## জগত্তা তৌহন্বগী অশেংবা লিখুন !

ফেক্ট পোৎ খঙদবদগী মসি পুম্বা অসি য়েৎশিন্নরিবনি । হৌজিক অদোমবু, ‘খঙলিবদু’ মদুবু খঙনিংব্রা , নত্রগা ‘খঙদ্রিবা অদুবু’ মদু খঙনিংব্রা ?

জগৎ করিনো ? করম তৌনা শেমলিবনো ? শেমলিবনা কনানো? ঐখোয়না মসি জগৎ অসিগা করি মরী লৈনবগে ? ঐখোয়গা ঐখোয়গী মরী লৈনবশিংগা করি মরী লৈনবগে ? বিজিনেশ করিগী মথা পোন্বগে ? ঐনা তৌব্রা নত্রগা কনাগুম্বা অমনা তৌব্রা ? মসি পুম্বা খঙবগী মতৌদি তাইদননে ?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয় ।

**দাদাশ্রী :** মরম অদুনা মসিদা অহৌবদা অদোম্না করি খঙনিংবগে, মদুগী ৱারি ৱাতাই হান্না শান্নশি । জগৎ কনানা শেমবগে, অদোমবু করি মান্বগে ? কনানা শেমবগে অসিগুম্বা চম্মমনবনা পীক-থল্লবা জগৎ ? অদোমগী করি মোৎনো ?

**ৱাহং-হংলিবা :** ইশ্বরনা শেম্বা ওইরমগনি ।

**দাদাশ্রী :** মদু ওইরবদি সংসার পুম্ববু করিগী চিন্তাদা থমলিবনো? চিন্তা লৈতনবগী ফিবমদি লৈতব্রা ।

**ৱাহং-হংলিবা :** মীওই পুম্নমক চিন্তাদী তৌইনে ?

**দাদাশ্রী :** হোয়, তৌইগুম্বসুং মহাক্না মসি সংসার অসি শেম্লবদি চিন্তা ওইবা ওইনা করিগী শেমলিবনো ? মহাকপু ফাগদবনি, সী.বী.আই মীওইশিংবু থাজিনদুনা । তৌইগুম্বসুং ভগৱানদী অরান্বা নত্তে ! মসিদি মীয়াম্না মহাকপু অরান্বা তাহনলিবনি ।

অশেংবদা, God is not creator of this world at all . Only Scientific Circumstantial Evidenceনি । হায়বদি মসিদি পুন্নমক মহৌশাগী খুৎশেমনি । মসিবু গুজরাত্তিদা ঐনা 'বয়বস্থিত শক্তি' হায়গে । মসিদি য়াম্না মনুঙহুৎপা ৱাফমনি ।

## মদুবু মোক্ষ কৌদে !

পীকলিবা অঙাংনসু অসুম্না হায়, 'ইশ্বরনা শেম্বনি' । অচৌবা সধু-সন্তশিংনসু হায়, 'ইশ্বরনা শেম্বনি' । মসি ৱাফম অসি লৌকিক নি, অলৌকিক ( Real ) নত্তে ।

ভগৱান করিগুম্বা ক্রিয়েটর ওইরম্লগদি মহাক্না মতম চুপ্পগী ওইনা ঐখোয়গী ইথক থোংবা ওইনা লৈরমগনি অমসুং মোক্ষ কুম্বা পোৎ অসি লৈরমলোই। তৌইগুম্বসুং মোক্ষ লৈ । ভগৱান ক্রিয়েটর নত্তে । মোক্ষপু খঙবা মীওইশিংনদি ভগৱানবু ক্রিয়েটর ওইনা খন্দে । 'মোক্ষ' অমসুং 'ভগৱান ক্রিয়েটর' মসি অনি অসি ওইবা য়াদবা ৱাফমনি । ক্রিয়েটরদি মতম পুম্বগী উপকারি ওই অমসুং উপকারি ওইবনা মরম ওইদুনা অরোইবফাও ইথক-থোংনা অদুম লৈগনি ।

## মদু ওইরবদি ভগৱানবু কনানা শেমলিবনো ?

ভগৱান্না শেম্লিবনি, করিগুম্বা অসিগুম্না অলৌকিক মওংদা হায়রবদি 'লোজিক' লৈবশিংনা ঐঙোনদা হংই মদুদি, 'ভগৱানবু কনানা শেম্বনো ?' মরমদুনা ৱাহং হংন্বগী ফিবম ওইহল্লি । মীয়াম্না ঐঙোনদা হায়, 'ঐখোয়না মাল্লী ভগৱান্না সংসার অসিবু তৌহল্লিবনি । অদোম্নদি নত্তে হায়রি, তৌইগুম্বসুং অদোমগী ৱাফম খনবদা লৌশিনবা ঙমদে ।' মদুদা ঐহাক্না হংই মদুদি করিগুম্বা ঐনা য়ারগে ভগৱান্না তৌরিবনি, মদু ওইরবদি মদুগী ভগৱানবু কনানা শেমলিবনো ? মসি অদোম্না ঐঙোন্দা তাকপীয়ু । অমসুং মদুবু শেমলিবা অদুবুনা কনানা শেমলিবনো ? কনাগুম্বনা তৌবা ওইরগদি মদুগীসু অতৌবা শোইদনা লৈরমগনি, মসিদি 'লোজিক'নি । তৌইগুম্বসুং মতুংদা মদুগী এন্ড দি লাক্লরোই, মরম অদুনা মদুগী ৱাফম অদু অরান্বনি।

# হৌরকফমসু লৈতে, অরোইবসু লৈতে, জগৎ কী....

হায়বদি কনাগুম্বনা শেম্বা নত্তনা ওইরিবনি, কনাগুম্বনা শেম্বা নত্তে মসি। কনাগুম্বনা তৌবা নত্তে, মরমদুনা হৌজিক কনাদা হংগনি মসিগী মরমদা ঐখোয়দা ? ঐহাকসু খিরল্মী মদুদি কনানা মসিবু তৌহল্লীবনো, মহাক্না মসি অৱা-অনা পুম্নমক তৌরিবসি ! ঐনা মফম খুদিংদা থিবা য়াবা থিরে, তৌইগুম্বসুং মফম অমত্তদা ফংদে ।

ঐহাক্না 'ফোরেন'গী সাইন্টিশশিংদা হায় মদুদি, 'গোড creatorনি, মসিবু প্রমান তৌন্নবগীদমক ঐহাক্কা লোয়ন্না ৱারি-ৱাতাই খরা শাবিয়ু । করিগুম্বা মহাক্না ক্রিয়েটর ওইরগদি মহাক্না করম্বা চহীদা ক্রিয়েট তৌবগে মদু তাকপীয়ু । মদুদা হায়, 'চহিদি ঐহাক্না খঙদে । মদুদা ঐহাক্না হংই, তৌইগুম্বসুং মদুগী বিগিনিং লৈৱ্রা লৈতব্রা ?' মদুদা হায়, 'হোই, বিগিনিং লৈ । ক্রিয়েটর হায়বনিনা, বিগিনিং শোইদনা লৈরমগনি !' করিগুম্বা বিগিনিং লৈরগদি, মদুগী এন্দ লাক্কনি । তৌইগুম্বসুং মসিদি এন্দ লৈতবা জগৎনি । বিগিনিং লৈত্রবদি এন্দ কদায়দগী লাক্কনি ? মসিদি অহৌবসু লৈতে অমসুং অরোইবসু লৈতে । করিগুম্বা বিগিনিং লৈত্রবদি, মদুগী শেম্বা-শাবসু ওইথোকপা লৈরোই, অসুম্না মান্দব্রা ?

## ভগৱানগী অশেংবা মফম !

মদুদা মসি ফোরেন সাইন্টিশশিংনা হংই, 'মদু ওইরবদি ভগৱান লৈতব্রা?' মদুদা ঐহাক্না হায়, 'ভগৱান লৈরমদ্রগদি মসি জগৎ অসিদা লৈরিবা ফাওরিবশিং, নুংঙাইবা অমসুং অৱাবা মদুগী অনুভব লৈদনা, মদুগী অনুভব অমত্তসু লৈরমলোই । মরমদুনা ভগৱান অশেংবগী লৈ ।' মহাক্না ঐঙোন্দা হংখি মদুদি, 'ভগৱান কদায়দা লৈবগে ?' ঐহাক্না হায়, 'অদোম্না কদায়দা লৈবা মান্বগে ? মদুদা মহাক্না হায়, 'মথক্তা' । ঐহাক্না হংই, 'মহাক মথক কদায়দা লৈবগে ? মহাক্কী লম্বী নম্বর কায়া ? করাম্বা লম্বীনো, অদোম্না খঙব্রা ? চিঠি য়ৌবা ঙম্বা অশেংবা লৈফম লৈৱ্রা অদোমগী নাক্তা ?' মথক্তদি কনাগুম্বা মপা অমত্তসু লৈতে । মফম খুদিংদা কোইদুনা লাকএ । মীয়াম পুম্নমক্না হায় মথক্তা লৈ, খুৎ থিংগৎতুনা লৈ। মসিদগী ঐহাক্না পুক্নিংদা খল্লী মদুদি মীয়াম পুম্নমক্না হায়নরি, মরমদুনা

করিগুম্বা কনাগুম্বা অমদি শোইদনা লৈরমগনি । মরমদুনা ঐহাক্না মথক্তা কোইনা চৎতুনা য়েংলুরে তৌইগুম্বসুং মথক্তদি অতিয়া থক্তনি, মথক্তদি করিগুম্বা অমত্তা ফংদে । মথক্তদি কনাগুম্বা অমত্তা লৈতে । মতুংদা ফোরেন সাইন্টিশশিংনা ঐঙোন্দা হায় মদুদি, 'ভগৱানগী অশেংবা এডড্রেস তাকপীগদ্র ?' ঐহাক্না হায়, 'ইবিয়ু । গোড ইজ ইন এভরি ক্রিয়েচার, ৱেদার 'ভিজিবল' অর 'ইনভিজিবল', নোট ইন ক্রিয়েশন ।' (ভগৱান, মীৎনা উবা নত্রগা উদবা, জীব খুদিংমক্তা লৈ, তৌইগুম্বসুং মীওইবনা শাবা পোৎশিংদা লৈতে ।)

মসি টেপরেকোড অসি 'ক্রিয়েশন'নি হায়গনি । লৈরিবা মেন-মেড পোৎশিং, মীওইবনা শাবা পোৎশিং, মসিদা ভগৱান লৈতে ।

## খুদোংচাবগী সিদ্ধান্ত!

এবিডেন্স ময়াম অমা পুনশিল্লগা করিগুম্বা থবক অমা পাংথোকই, হায়বদি মসি সাইন্টিফিক সরকমস্টেনশিয়ল এবিডেন্স নি । মদুদা ইগোইজম তৌদুনা 'ঐনা তৌবনি', হায়রগা চৎথদুনা লৈরি । তৌইগুম্বসুং অফবা ওইরগনা 'ঐনা তৌবনি' অমসুং শোইরগনা 'ঐগী সনয়োগ হৌজিক ফৎতে' অসিগুম্না ঐখোয় মীয়াম্না হায়নৈদনা ? সনয়োগশিংবু থজনৈদনা, ঐখোয়গী মীয়ামশিংনা ।

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয় ।

**দাদাশ্রী :** পৈশা তানল্বা মতুংদা মদুগী পোংথোকপা-চাওথোকপা অদুদি মশা মতোম্তনা মহাও তংই । অমসুং করিগুম্বা অমাঙবা ওইবা মতম অদুদনা করিগুম্বা অমা হায়জিনলি । ঐহাক্না হংবদা, 'সেঠ করিগী, অসিগুম্না থোক্লিবনো ?' মতম অদুদা মহাক্না হায়, 'ভগৱান্না শাওবদগী'।

**ৱাহং-হংলিবা :** খুদোংচাবগী সিদ্ধান্ত ওইরে ।

**দাদাশ্রী :** হোয়, খুদোংচাবগী তৌইগুম্বসুং অসিগুম্না মরাল শিবা মহাক্কী(ভগৱান) মথক্তা থল্লোইদবনি । ৱকিলগী মথক্তা মরাল শিবা নত্রগা অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা মরাল শিবা ওইরগদি ফৈ, তৌইগুম্বসুং

ভগৱানগী মথক্তা মরাল শিবা য়াব্রা ? ৱাকিলদি কেশ তৌদুনা হিসাব লৌই তৌইগুম্বসুং মসিগীদি কনানা কেশ তৌগনি ? মসিগী মহৈদি মথংগী মপোক্তা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা লমন-খুম্বা মীশক ফংগনি । ভগৱানগী মিং পীদুনা মরাল শিবা য়াব্রা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** মরাল শিবা য়াদে ।

**দাদাশ্রী :** নত্রগা অসুম্না হায়গনি, 'স্টার্স ফেবরেবল ওইদে ।' নত্রগা অসুম্না হায়গনি 'partner ওইমিন্নরিবা অদু পুকচেল খোই' অসুম্না হায় । নত্রগা 'মমৌনুপী অদু মঙোল ওইদে' অসুম্না হায় । তৌইগুম্বসুং মশাগী মকোক্তদি শুংলাক-লাকহল্লোই ! মশাগী মকোক্তা করিগুম্বা অমত্তা অশোইবা লৌরোই । মসিগী মরমদা ফোরেনগী মীওই অমগা ৱারি-ৱাতাই শান্নে । মহাক্না হংই, 'অদোমগী ইন্দিয়াগী মীওইশিংদি অশোয়বা অদু মশাগী মকোক্তা করিগী লাকহন্দ্রিবনো ?' ঐহাক্না হায়, 'মসিদি ইন্দিয়াগী পজলনি। ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী অচৌবা পজল (প্রোব্লেম) হায়রগদি, মসিনি ।

## সাইন্টিফিক সরকমস্টেনশিয়ল এবিডেন্স !

মরম অদুনা ৱারি শাবিয়ু, করিগুম্বা ৱারি শাগদবা লৈরবদি মদু পুন্নমক শাবিয়ু । অসিগুম্না ৱারি শাবিয়ু মসিদগী অদোমবু লিখুন পুন্নমক ফংবা ওইনবা ।

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি 'সাইন্টিফিক সরকমস্টেনশিয়ল এবিডেন্স' অসি খঙদে ।

**দাদাশ্রী :** মসি পুম্বা অসি 'সাইন্টিফিক সরকমস্টেনশিয়ল এবিডেন্স' কী মথা পোল্লি । সংসারদা পরমানু অমত্তফাও চেনজ তৌবা য়াবা অদুগুম্বা নত্তে । হৌজিক অদোম্না চাক-চানবগীদমক ফম্বা, মদুদা অদোম্না খঙদে মদুদি অদোম করি চাগনি ? থোংগদবা মীনসু খঙদে মদুদি হয়েং করি থোংগনি ? মসি করমনা ওইরক্লিবনো, মসি অঙকপনি । অদোম্না কয়াম চাবা ঙমগনি অমসুং কয়াম চরোইদবা, মদু পুম্বা পরমানু চপ-চানা শেম্বা ওই ।

অদোম্না ঙসি ঐগা থেংনবা অসি, মদু করিগী মখা পোন্না ঊনাবা ঙম্লিবনো ? ওনলি সায়ন্টিফিক সরকমস্টেনশিয়ল এবিডেন্সনি । অদুক্কী মতীক কুপ্পা মনুঙ–হুৎপা মরমনি । মদুগী মরমদুবু থিজিন্দুনা পুথোকলি।

**ৱাহং–হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং মদুগী থিজিনবদুনা করম তৌবগে ?

**দাদাশ্রী :** হায়বদি হৌজিক অদোম্না শিদা লাক্লি, মদুদা অদোম্না করিসু তৌবা ঙম্বা নত্তে । মদুদি অদোমগী মানবনি, ইগোইজম তৌই মদুদি, ‘ঐ লাক্লে অমসুং চৎলে’ । মসি অদোম্না হায়রিবসি, ‘ঐ লাক্লে ’ অমসুং ঐহাক্না হংলবদি, ‘ঙরাংদি করিগী লাক্ত্রিবা ?’ মতম অদুদা ‘অসুম্না’ খোং ঊৎলি, মসিদগী করি খঙবা য়াবগে ?

**ৱাহং–হংলিবা :** খোং নাবদগী ।

**দাদাশ্রী :** হোয়, খোংনাবদগী । খোং নাবনি হায়রবদি খঙলোইদ্রনে লাক্লিবা অদু অদোম্না, নত্রগা খোংনা লাকপ্রা ?

**ৱাহং–হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং ঐনা লাকপনি হায়রোইদ্রনে ?

**দাদাশ্রী :** অদোম ওইনা লাকপনিদনা, নত্রনে ? করিগুম্বা খোং নারবদি মতম অদুদসু অদোম লাক্কদ্রা ?

**ৱাহং–হংলিবা :** ঐহাক্কী ইশাগী অপাম্বনে লাকনবগী, মরমদুনা লাকলিবনি ।

**দাদাশ্রী :** হোয়, অদোম অপাম্বনে, মরমদুনা লাকলিবনি তৌইগুম্বসুং মসি খোং পুম্নমক ফবদগী লাকপা ঙম্লিবনি নত্রনে ? নাবা ওইরমলগদি?

**ৱাহং–হংলিবা :** মদু ওইরগদি লাকপা ঙমলমলোই, অচুম্বনি ।

**দাদাশ্রী :** হায়বদি অদোম ইতোমতা লাকপা ঙমব্রা ? মতৌসুম্না নুপা অমনা শনগাড়ি ফমদুনা মসিদা লাক্লগা অসুম্না হায়, ‘ঐ লাক্লে, ঐ লাক্লে ।’ মতম অদুদা ঐনা হংই, ‘অদোমগী খোংদি পেরালাইসিস ওই, অদোম্না করমনা লাক্লিবনো ? মতম অদুদা হায়, ‘ষনগাড়িদা লাকই ।

তৌইগুম্বসুং ঐ লাকই, ঐ লাকই '। 'অরে ! ষনগাড়িদা লাকপ্রা নত্রগা অদোম্না লাকপ্রা ?' মদুদা মহাক্না হায়, 'ষনগাড়িদা ওইনা লাকই ।' মতুংদা ঐহাক্না হংই, 'ষনগাড়িনা লাকপ্রা নত্রগা ষন্না লাকপ্রা ?'

হায়বদি ৱাফম অসি কদায়দগী কদায়ফাওবা ওই ! তৌইগুম্বসুং য়েংউদনা লান্না লৌরিসিনিদনা ! মসি সরকমস্টেনসেস অফবা ওইরগদি লাকপা ঙম্মী, নত্রগদি লাকপা ঙমলোই ।

কোক চিকল্বদি অদোম্না লাক্লবসু, অমুক হন্না হনখিগনি । ঐখোয়না লাকপা চৎপা ওইরগদি, কোক চিকপগী হায়জিন্নবা মদু তৌরোইদবনিনে? অরে, কোক্না লাকপ্রা নত্রগা অদোম্না লাকপ্রা ? করিগুম্বা কনাগুম্বা অমগা অদোমগা মাইয়োক্নরবদি অমসুং হায়রবদি, 'চৎলো চন্দুলাল ঐগা লোয়ন্না', মদু ওইরবদি অমুক হন্না হনখিনি । হায়বদি সরকমস্টেনসেস অফবা ওইরগদি, মসিদা য়ৌদ্রিঙৈফাও কনাগুম্বা থিংবা অমত্তা লৈত্রবদি মতম অদুদা লাকপা ঙমগনি ।

## ইশাগী শক্তি কয়াম লৈবগে

অদোম্না করিগুম্বা মতম অমত্তফাও চাবসু নত্তেনে ! মসিদি লোইনমক চন্দুলালনা চাই অমসুং অদোম্নদি পুক্নিংদা থল্লি ঐনা চাই । চারিবনা চন্দুলালনা অমসুং খোং-হাম্বসু চন্দুলালনা চৎলি । মদু ওইরবদি মরম লৈতনা লাংদা থুরি । মসি জ্ঞান তাব্রা অদোম্না ?

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু তাকপীয়ু ।

**দাদাশ্রী :** মসি সংসার অসিদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা খোং-হাম্ব ঙম্বগী মনিংতম্বা শক্তি লৈবা পোকত্রি । খোং-হাম্ব ঙম্বগী মনিংতম্বা শক্তি লৈত্তে কনাগুম্বা অমত্তনা, মদু ওইরবদি অতোপ্পা করি শক্তি লৈবগে? মসিদি ইশাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না খজিংতংফাও থোকপা মরম্না পুক্নিংদা থল্লী মদুদি ঐনা লোইনা তৌবা ঙম্মী । করিগুম্বা ঙমদবা কান্দা, মতম অদুদা খঙগনি ।

ঐনা ফোরেন রিটর্ন ডোক্টরশিংবু মসিদা বড়োদা দা পুল্লি, মী

তরা-তরানিথোই । ঐহাক্না হায়, ‘খোং-হাম্ব ঙম্বগী মনিংতম্বা শক্তি অদোমদা লৈতে’, মসিদা মখোয়না য়ানিংদবা ফাওরম্মী । মতুংদা হায়, মদুদি করিগুম্বা খোং-হাম্ব ঙমদ্রকান্দা খঙগনি । মতম অদুদা কনাগুম্বা অমগী হেলপ লৌবা মথৌ তাই । মরমদুনা মসিদি অদোমগী মনিংতম্বা শক্তি নত্তে । মসিদি লান্না-থাজবদগী ঐখোয়না মহৌশাগী শক্তিবু ইশাগী শক্তিনি হায়না লৌরি । মপানগী শক্তিবু মশাগী শক্তিনি হায়না লৌরি, মদুগী মমিং লান্না-থাজবা । মসি ৱাফম অসি খজিক্তং ওইরবসু জ্ঞান তাবা ঙমব্রা অদোম্না ? আনা অনি নত্রগা আনা মরি, লৌশিন্বা ঙমব্রা?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোই, লৌশিন্বা ঙমই ।

**দাদাশ্রী :** মদুখক্তং খঙলবসু ঊপাই লৈরগনি । মখোয় ময়াম্না হায়নরিবসি মদুদি, ‘ঐনা অসিগৈ তপ( penance )তৌই, অসুম্না জপ তৌই, ব্রত তৌই ’ মসি পুম্বা লান্না-থাজবনি । মদু ওইজরবসু জগত্তদি অসিগুম্না লৈগনি । অহংকার তৌদনদী লৈরোই । সৱভাব( মশাগী ৱাখল্লোন) নিদনা?

## তৌবা, নৈমিত্তিক ওইনা...

**ৱাহং-হংলিবা :** তশেংনমক্কী ইশানা তৌবা নত্রগদি, মদু কনানা তৌবগে ? অমসুং মহাক্কী মওং-মতৌনা করিনো ?

**দাদাশ্রী :** অসুম্ননি, নৈমিত্তিক তৌবদি মশামক্লি । মশামক মনিং-মথা তম্নদি তৌবা নত্তে । তৌইগুম্বসুং নৈমিত্তিক তৌবনি । হায়বদি পারলামেন্ট্ররি শিস্তেমদগী তৌবনি । পারলামেন্ট্রি শিস্তেম হায়বদি ? পারলামেন্টতা তৌবগুম্না পুন্নমক্কী বোটিগ তৌই অমসুং মতুংদা অরোইবা মশাগী বোট লৈদনা মদুগী মতুং-ইন্না মশামক্লা হায় মদুদি মসিদি ঐহাক্না তৌবা মথৌ তাই( মরু হুল্লি) । য়োজনা তৌবা মশামক্লি । তৌবা-ওইবা অসি য়োজনা খক্তদা ওই, য়োজনদা মহাক্কী সহি য়াওই । তৌইগুম্বসুং জগৎনা মসিবু খঙদে । মসি অপীকপা কমপীয়ুটরদগী ফীট থোক্লকইদনা অমসুং অচৌবা কমপীয়ুটরদা মসি ফীট অসি চৎলি, মতৌ অসুম্না মসি য়োজনা অসি মরু হুনদুনা অচৌবা কমপীয়ুটরদা চৎলি । মসিগী অচৌবা কমপীয়ুটর অসিনা মতুংদা বিসর্জন তৌই হায়বদি হন্দক মপোক্ত পুন্সি

চুপ্পা অসি বিসর্জন মওংনি, মদুগী সর্জন মমাঙগী মপোক্তা ওইখ্রবা ওই । মরম অদুনা মসি মপোক অসি পোকপদগী শিবা ফাওবা বিসর্জন মওংদা লৈ । ইশাগী খুত্তা করিসু লৈতে, মপানগী শক্তিগী মতুং ইনলি । য়োজনা শেম্বগা মদু পুম্বা মপানগী শক্তিদা চৎলি । উরিবসি মপানগী শক্তিগী মতুং ইন্না পাংথোকই । হায়বদি উরিবসি মসি তোঙাল্লি । উবাশিংসি মপানগী শক্তিগী মথা পোল্লি । অদোম্না জ্ঞান তাইদনা ? মসি ৱাফম অসি য়াম্না মনুঙ হুৎপনি ।

## তৌবা–ওইবনা র্কমনা পুনলি !

**ৱাহং–হংলিবা :** মসি র্কমনা পুন্বা অসিদগী নাল্হোক্কে হায়রবদি করি তৌগনি ?

**দাদাশ্রী :** মসি র্কম অসি তৌবগী মথা পোল্লি । হায়বদি তৌবা ওইরগদি র্কম ওইগনি । তৌবা ওইদ্রগদি র্কম ওইরোই । তৌবা করম্না? অরোপীত ভাবদা ফম্বদগী মরম অদুনা তৌবা ওইরি । ইশাগী অশেংবা মশক্ত লাক্লবদি তৌবা ওইদে । 'ঐনা তৌবা' অসুম্না হায়বদগী তৌবা ওইরি । হায়বদি র্কমবু মতেং–পাংলি । হৌজিক মহাক্না তৌবা ওইদ্রগদি র্কম কেল্লনি, মতেং–পাংবা লৈত্রগদি র্কম কেনখ্রনি । হায়বদি তৌবা খুবমদা লৈরিবমথৈ মতম অদুফাও র্কম লৈগনি ।

''হকচাং অসি ঐনি হায়বা ৱাখল্লোন অসি থাদোক্লবদি র্কমবু নহাক্না তৌদে

অৱাবসু ফাওদে নহাক্না মসিগী, মসিনি ধর্মগী নুঙগী ৱাফম ''

–শ্রীমদ রাজচন্দ্র

হৌজিক অদোম্না 'ঐ চন্দুলালনি' অসিগুম্না থাজরি, মরম অদুনা পুম্নমক য়েৎশিন্নবা ওইরি । মনুঙদদী পোৎ অনি অসি তোঙাল্লি । অদোম তোঙাল্লি অমসুং চন্দুলাল তোঙাল্লি । তৌইগুম্বসুং মসি অদোম্নদি খঙদে, মতম অদুফাও করি তৌবা ঙমগনি ? জ্ঞানী পুরুষকী থাইদোকপগী–বিজ্ঞানদগী তোঙান–তোঙান থায়দোক্তুনা পীরি । মতুংদা করিগুম্বা অদোম্না তোঙান তারবকান্দা, মতমদুদা 'অদোম্না' করিসু তৌগদবা নত্তে, মদু

চন্দুলালনা তৌদুনা লৈগনি ।

# ৬) থাইদোকপগী বিজ্ঞান কনানা তৌবগে ?

## আত্মা-অনাত্মাবু বিজ্ঞান মওংদা থাইদোকপা

মসি খুদোপ অসিদা সনা অমসুং কোরি অনি অসি পুনলিদনা, মদুবু ঐখোয়না থুঙ্গদা পুদুনা কনাগুম্বা অমদা হায়রবদি মদুদি, 'ভাই মসিবু থাইদোকপীদনা !' মদু ওইরবদি কনাগুম্বা অমনা হেক্তা তৌবা ঙমব্রা ? কনানা তৌবা ঙম্বগে ?

**ৱাহং-হংলিবা :** সনা শাবনা ঙমগনি ।

**দাদাশ্রী :** মসিনা মহাক্কী থবক ওইবা, মসিদা মহাক্কা এস্কপার্ট ওইবা, মহাক্কা সনা অমসুং কোরি অনিবু থাইদোক্কনি । চাম্মগী মনুঙদা চাম্মা টচ সনা থাইদোক্কনি, মরমদি মহাক্কা অনিমক্কী গুণধর্মবু খঙই মদুদি সনাগী গুণধর্মনা মসিনি অমসুং কোরিগী গুণধর্মনা মসিনি । মতৌসুম্না জ্ঞানী পুরুষ আত্মাগী গুণধর্ম অদুবু খঙই অমসুং অনাত্মাগী গুণধর্মবুসু খঙই ।

মসি খুদোপ অসিদা সনা অমসুং কোরিগী মিক্ষচর ওইরগা লৈ, মরমদুনা মদুবু তোঙান্না থাইদোকপা ঙমগনি । সনা অমসুং কোরি অনি অসিনা কমপাওন্ড মওংদা লৈরম্লগদি মদুবু তোঙান্না থাইদোকপা ঙম্লমলোই । মরমদি মসিদা মগুণ ইতোপ-তোপ্পা ওইনা ওনথোকই । মতৌ অসুম্না জীবগী মনুঙদা আত্মা অমসুং অনাত্মা অনিগী মিক্ষচরনি, মখোয় কমপাওন্ড মওংদা ওইদে । মরমদুনা অমুক হন্না মশাগী অশেংবা মগুণদা ফংবা ঙম্মী। কমপাওন্ড ওইরম্লগদি থিবা ফংলমলোই । আত্মাগী মগুণশিং খঙবা ঙমলমলোই অমসুং অহুমসুবা মগুণ অমা ওইনা ফংলমগনি । তৌইগুম্বসুং অসুম্নদি নত্তে । মদুদি মিক্ষচর ওইবা খক্তানি । মরমদুনা জ্ঞানী পুরুষনা মদুবু থাইদোকপীরবদি আত্মাবু মশক খঙবা ঙমগনি ।

## জ্ঞানবিধি অসি করিনো ?

**ৱাহং-হংলিবা :** অদোমগী জ্ঞানবিধি অসি করিনো ?

**দাদাশ্রী :** জ্ঞানবিধিদি সেপেরেশন তৌই *পুদগল*(অনাত্মা) অমসুং আত্মাগী ! অশেংবা *চেতন*(আত্মা) অমসুং *পুদগল*, অনিগী সেপেরেশন ।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদুগী সিদ্ধান্ত অদুদি মতিক-চায় তৌইগুম্বসুং মদুগী মওং করম তৌবগে মদু খঙনিংঙি ?

**দাদাশ্রী :** মসিদা লৌবা-পীবা করিসু লৈতে, মসিদা ফমদুনা মসিগুম্না চপ-মান্না হায়বগী খক্ত দরকার ওই(‘ঐ কনানো মদুবু খঙবা, জ্ঞান পীবা, পুং২গী জ্ঞান-প্রয়োগ ওই । মদুদা মিনিত নিফুনিপান আত্মা-অনাত্মাবু খাইদোকপা ঙম্বা খাইদোকপগী-বিজ্ঞানগী ৱাহৈবু হায়হল্লী । মসি মীওই পুম্বনা হায়গদবা ওই । মদুগী মতুংদা পুং অমগী মনুঙদা আজ্ঞা মঙা খুদমগা লোয়ন্না শুগাইনা-স্মুৎতনা খঙহল্লী, মদুদি হৌজিক মতুংগী পুন্সিবু করম-তৌনা লানগনি মদুদগী অনৌবা র্কম পুনশিন্দনবা অমসুং অরিবা র্কম পুন্নমক মপুংফানা লোইশিন্নবা, লোইনা-লোয়ন্না ‘ঐ অশেংবা আত্মানি’ হায়বগী লক্ষ্য মতম লৈবা খিবিক্তা লৈবা ওই ।)

## দরকার ওইবা, গুরুগী নত্রগা জ্ঞানীগী ?

**ৱাহং-হংলিবা :** দাদা ঊনদ্রিঙৈগী মমাঙদা কনাগুম্ববু গুরু ওইনা লৌখ্রবা ওইরবদি ? মদু ওইরবদি মহাকপু করি তৌগনি ?

**দাদাশ্রী :** মহাক্কী মনাক্তসু চৎলু, অমসুং চৎলরোই হায়রগনা, চৎপগী দরকার ওইদ্রে । ঐখোয়না চৎপা পাম্লগনা চৎপা অমসুং চৎপা পামদ্রগনা চত্তবা । মহাকপু নুংঙাইতবা ওইদনবগী, মরমদুনা চৎকদবনি। ঐখোয়না ইকাইখুম্নবা-নোল্লুকপা থমগদবনি । মসিদা ‘আত্মাজ্ঞান’ লৌবা মতমদা কনাগুম্বনা ঐঙোন্দা হংলবদি, ‘হৌজিক গুরুবু থাদোক্লগদ্রা ?’ মদুদা ঐনা হায়গনি ‘থদোকলোইদবনি । অরে, গুরু মহাক্কী মতীক-মগুণদগী মসি ফৌবা য়ৌবা ঙমলিবনি ।’ গুরুগী মতেংদগী মীওইবনা থৌগললোন-ব্যবহার খরদং ওইরবসু লৈবা ঙমলিবনি । গুরু লৈরমদ্রগদি থৌগললোন-ব্যবহারসু লৈরমলোই অমসুং গুরুদা হায়গদবনি ‘ঐহাক্না জ্ঞান্নী পুরুষপু ফংলে । মহাক্কী ডর্শাণ তৌবা চৎলি ।’ মীওই খরদি মশাগী গুরুবুসু ঐগী নাক্ত পুদুনা লাকই, মরমদি গুরুবুসু মোক্ষ(মুক্তি)পাম্মীদনা! সংসারগী জ্ঞানবুসু গুরু নত্তনদি ওইথোক্তে অমসুং মোক্ষকী জ্ঞানসু গুরু

নত্তনদি ওইথোক্কে । ব্যবহারগী গুরু ‘ব্যবহার’গীদমক্তনি অমসুং জ্ঞান্নী পুরুষ ‘নিশ্চয়’গীদমক্তনি । রিলেটিব কীদমক্তদী গুরু মথৌ তাই অমসুং রীয়লদমক্তদী জ্ঞান্নী পুরুষ কী মথৌ তাই ।

# ৭) মোক্ষগী শক্তম করিনো ?

## পান্দম মসি থক্তা ওইগদবনি !

**ৱাহং-হংলিবা :** মীওইবগী পান্দম করি ওইগদগে ?

**দাদাশ্রী :** মোক্ষতা চৎপা অসি থক্ত ! মসি পান্দম অসি ওইগদবনি। অদোমগী মোক্ষতা চৎকনি হায়বসিনিদনা ? কদায় ফাওবা ঙাওচৎনগনি? মপোক কয়া-কয়াদগী ঙাওচৎ চৎতুনা...ঙাওচৎনদবা করিগুম্বা অমত্তা লৈত্রেদনা ? শা-ঙাশিংগী মপোক, মীওই মপোক, শর্গ মপোক, মফম খুদিংদা ঙাওচৎ ঙাওচৎ ঙাওচৎ নদুনত্তা লৈবা ওই । করি মরমদগী ঙাওচৎনরিবনো ? মরমদগী ‘ঐ কনানো’ মসিবু খঙদে । মশাগী অশেংবা মশকপু খঙজদে । মশাগী অশেংবা মশকপু খঙবা মথৌ তাই । ‘ঐ কনানো’ মসিবু খঙবা মথৌ তাদবরনে ? অসুক য়াম্না ঙাওচৎনরবসু মসিদি অদোম্না খঙদে ? শুপ্নতগী পৈশা-তান্বা থক্তগী মতুংদা তানরি ? মোক্ষ কিসু খরাদি তৌবা মথৌ তাইদনা তাদব্রনে ?

**ৱাহং-হংলিবা :** মথৌ তাই ।

**দাদাশ্রী :** হায়বদি সৱতন্ত্র ওইবগী মথৌ তাইদনা ? অসিগুম্না মীথা-পোন্না কদায় ফাওবা লৈগদৌরিব্রা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** সৱতন্ত্র ওইবগী মথৌ তাদে তৌইগুম্বসুং সৱতন্ত্র ওইন্বগী জ্ঞানগী মথৌ তাই অসিগুম্না ঐহাক্না নিংই ।

**দাদাশ্রী :** হোয়, মদুগী জ্ঞানগী মথৌ তাই । মদুগী জ্ঞান অদুবু খঙলবদি য়াম্না য়াইফরে । নিংথা-তমজদ্রবসু, সৱতন্ত্র ওইরবসু নত্রগা ওইদ্রবসু মদুদি মতুংগী ৱাফম্নি, মদু ওইজরবসু জ্ঞানদী খঙবা মথৌ তাইদনা? অহান্বদা জ্ঞান অদু খুত্তা লাক্লবদি হায়বদি য়াম্না য়াইফরে।

## ‘ইশাগী অশেংবা মশক্তা লাকপদা হোৎন্বগী মথৌ তাদে!

মোক্ষ হায়বদি ইশাগী অশেংবা মশক্ত লাকপা অমসুং সংসার হায়বনা অশেংবা মশক অদুদগী লাপ্না চৎপা। মরমদুনা করম্বনা লাইবগে? ইশাগী অশেংবা মশক্তা লৈবনা! মরমদুনা মোক্ষ অসি অরুবা ওইদে। মোক্ষতি খিচরি থোংবদগীসু হেন্না লাই। খিচরি থোংনবগীদমক্তদী উ-শিং পুরকপা মথৌ তাই, হৱাই-চেংৱাইগী মথৌ তাই, থোংন্বা কোনগী মথৌ তাই, ঈশিংগী মথৌ তাই। মদুগী মতুংদা খিচরি ওই। অদুগা মোক্ষতি খিচরি থোংবদগীসু হেন্না লাই। তৌইগুম্বসুং মোক্ষ পীবা ঙম্বা জ্ঞানীগী মথৌ তাই। নত্রগদি মোক্ষ কৈদৌনুংদা ওইথোকলোই। মপোক করোর অমা পোক্লবসু মসি ওইথোকলোই। পুন্নমক্কা মশিং থিঙমদ্রবা মপোক কয়া অমা পোক্লিদনা ?

## হোৎন্বদগী মোক্ষ ফংবা ঙমদে!

মসিদা ঐহাক্না হায়রিবসিনিনে, মদুদি ঐহাক্কী নাক্তা লাক্তুনা মোক্ষপু ফংবিয়ু! মদুদা মীয়াম্না পুক্নিংদা খল্লি ‘অসিগুম্না পীবা মোক্ষপু করি কান্নগনি, ঐথোয়না হোৎনসু-হোৎন্দনা ?!’ মদু ওইরগদি, ভাই হোৎনরগা পুরকউ। য়েংবিয়ু, মহাক্কী ৱাখললোন য়াম্না ফজে (!)নে?! তৌইগুম্বসুং হোৎনবদগী করিসু ফংবা ঙমলোই। হোৎনবদগী কনাগুম্বা অমত্তনা কৈদৌনুংদা মোক্ষ ফংদ্রি।

**ৱাহং-হংলিবা :** মোক্ষ পীবা অমসুং লৌবা ওইবা য়াব্রা ?

**দাদাশ্রী :** মদুদি লৌবা-পীবা ওইদে। মসিদি নৈমিত্তিকনি। অদোম্না ঐহাক্কা উন্বা, মসি নিমিত্ত ওই। নিমিত্তকী(instrument)দরকার ওই। তশেংনমক্তি, পীবা কনামত্তা লৈতে অমসুং লৌবা কনামত্তা লৈতে। পীবা কনাবু কৌবগে ? মশাগী য়ুমগী পোৎপীবা, অদুবু পীবা কৌই। মসিদি অদোমগী য়ুমদা মোক্ষ লৈ, মদুবু ঐহাক্না উহন্বনি, রিয়লাইজ তৌহন্দুনা পীবা ওই। মরমদুনা লৌবা-পীবা হায়বা ওইদে, নিমিত্ত খক্তনি।

## মোক্ষ হায়বদি সনাতন(পরমেনেন্ট) নুংঙাইবা !

**ৰাহং-হংলিবা :** মোক্ষপু ফংলগা করি তৌগনি ?

**দাদাশ্রী :** মীওই কয়াবু ঐহাক্কা উনৈ মদুদা মখোয়না হায়, 'ঐহাক্তি মোক্ষ পামদে' । মতুংদা ঐহাক্কা হায় মদুদি, 'ভাই, মোক্ষকী দরকার ওইদে। তৌইগুম্বসুং অদোম্না নুংঙাইবা পমব্রা নত্রগা পামদব্রা ? নত্রগা অৰাবা পামব্রা ?' মদুদা মহাক্কা হায়, পামদে । নুংঙাইবদি পাম্মী' । ঐহাক্কা হায়, 'নুংঙাইবা থরা ওইরগদি য়াগদ্রা ?' মদুদা মহাক্কা হায়, 'য়ারোই, নুংঙাইবদি মপুংফানা পাম্মী ।' মতাং অদুদা ঐহাক্কা হায়, 'মদু ওইরবদি ঐখোয়না নুংঙাইবগী মরমদা ৰারি শান্নশিনে ! মোক্ষকী ৰাফম অদু তোংলো ।' মোক্ষ হায়বদি করি পোৎনো মসি মীয়াম্না খঙদে । ৰাহৈ ওইনা ঙাংবা থক্তনি । মীয়াম্নদি অসুম্না খঙলি মদুদি মোক্ষকী মমিংদা করিগুম্বা মফম অমা অমসুং মফম অদুদা চৎলগা ঐখোয়না নুংঙাইবা ফাওই ! তৌইগুম্বসুং অদুম্নদি নত্তে মসি ।

## মোক্ষ, স্টেজ অনিদা !

**ৰাহং-হংলিবা :** মোক্ষ কী অর্থ অচম্বা মিৎয়েংদা ঐখোয়না পোকপা শিবদগী মুক্তি অসুম্না হায়রি ।

**দাদাশ্রী :** হোয়, মদু অচুম্বনি । তৌইগুম্বসুং মদু অরোইবা মুক্তিনি, মদুদি সেকেন্দরি স্টেজনি । অহান্বা স্টেজতা, অহান্বা মোক্ষ হায়বদি সংসারগী অৰা-অনা ফাওদবা ফাওবা । সংসারগী অৰাবদা অৰাবা ফাওদবা, উপাদিদসু সমাধি( অৰাবা ফাওদবা অমসুং মশাগী অশেংবা মশক্কী নুংঙাইবা ফাওবা অদুবু) লৈবা, মদু অহান্বা মোক্ষ । অমসুং মসি হকচাং অসি থাদোক্লবা মতম অদুদা আত্যন্তিক মোক্ষনি । তৌইগুম্বসুং অহান্বা মোক্ষ মসিদা ফংবা ওইগদবনি । ঐগী মোক্ষ ওইদুনা লৈরিবসিনি ! সংসারদা লৈজরবসু সংসার শোক্তে অদুগুম্বা মোক্ষ ওইগদবনি । মদু মসি অক্রম বিজ্ঞানদগী অসিগুম্না ওইথোকপা য়াই ।

## হিংনা-হিংনা মুক্তি ওইবা !

**ৱাহং-হংলিবা :** হৌজিক মুক্তি নত্রগা মোক্ষ হায়রিবসি, মসি হিংদুনা ওইবা মুক্তিরা নত্রগা শিরবা মতুংগী মুক্তিরা ?

**দাদাশ্রী :** শিরবা মতুংগী মুক্তিদি করিবু কান্নবগে ? শিরবা মতুংদা মুক্তি ফংগনি হায়দুনা মীয়ামবু ফাজিল্লি । অরে, ঐঙোন্দা মসিদা ঊৎলুনে! মহাওদু থরা ঊৎলু , মদুগী প্রমাণ অদু ঊৎলুনে । মফম অদুদা মোক্ষ ওইগনি, মদুগী করি থাজবা ? অসিগুম্বা অপুবা মোক্ষপু ঐখোয়দা করিবু কান্নগনি ? অপুবদদি কান্নবা ওইদে । মরমদুনা কেশ(cash)না হেন্না ফৈ । ঐখোয়না মসিদা হিংনা-হিংনা মুক্তি ফংগদবনি, জনক নিংথৌগী মুক্তি অদোম্না তারমগনি ?

**ৱাহং-হংলিবা :** তারে ।

# ৯)অক্রম লম্বী করিনো ?

## অক্রম জ্ঞান্দগী তোপ-তোপ্পা সিদ্ধি !

**দাদাশ্রী :** তৌইগুম্বসুং মসি সংসারদা লৈরগা আত্মাজ্ঞান অসুম্না ফংবা য়াব্রা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয়, অসিগুম্বা লম্বীনি । সংসারদা লৈবা অসিখক্তা নত্তে, তৌইগুম্বসুং ৱাইফকা লোয়ন্না লৈরবসু আত্মাজ্ঞান ফংবা য়াই অদুগুম্বনি । মসিদা নত্তনা সংসারদা লৈবা থক্তা নত্তে, তৌইগুম্বসুং মচানুপা-মচানুপীশিংবু লুহোংবিদুনা, থবক পুম্নমক তৌদুনা আত্মাজ্ঞান ফংবা য়াই । ঐহাক্না সংসারদা লৈদুনা অদোমগী মসিবু ফংহনগনি । সংসারদা, হায়বগী অর্থদি সিনেমা য়েংবা চৎপা অসিগুম্বা পুম্নমক মনিং-মথা তম্বা অসি পীরি । নচানুপা-নচানুপীশিংবু লুহোংবিয়ু অমসুং ফজবা ফিরোল শেৎতুনা লুহোংবিয়ু । মসিদগী হেন্বা অতোপ্পা করি গেরেন্তি পাম্বগে ?

**ৱাহং-হংলিবা :** অসুক য়াম্না কোম্বা, মদু ওইরবদি শোয়দনা লৈবা ঙমগনি ।

**দাদাশ্রী :** পুন্নমক কোমথোক্লি ! মসি ফংনদবা অতাংবা লম্বীনি । অদোম্না করিসু হোৎনগদবা নত্তে । অদোমদা আত্মবু অদোমগী খুত্তা খুশিন্নগনি, মদুগী মতুংদা আত্মগী নুংঙাইবদা লৈয়ু অমসুং লিস্টতা ফমদুনা লৈয়ু । অদোম্না করিসু তৌগদবা লৈত্তে । মতুংদা অদোমদা র্কম অমত্তানা ফজিল্লরোই । মপোক অমতংগী র্কম লৈগনি, মদুসু ঐহাক্কী আজ্ঞা য়াথং-ইনবগা লোয়ন্না । ঐহাক্কী আজ্ঞাদা লৈগদবনি মরমদি লিস্টতা ফম্লবা মতুংদা করিগুম্বা খুৎশা মনিং-ম্মাং লেংলবদি অৱাবদা তাইদনা !

**ৱাহং-হংলিবা :** হায়বদি মথংগী মপোক লৈগনি ?

**দাদাশ্রী :** হৌখিবা মপোকসু লৈখি অমসুং লাক্কদবা মপোকসু লৈ তৌইগুম্বসুং মসি জ্ঞান অসিদি অসিগুম্বনি হৌজিক মপোক অমা-অনি থক্ত লেমহৌরে । অহান্বদা অজ্ঞানদগী মুক্তি ওইরে । মতুংদা মপোক অমা-অনিদা অরোইবা মুক্তি ফংগনি । মপোক অমদি শোইদনা লৈগনি অসিগুম্বা মতমনি মসি ।

মদু ওইরবদি নোংমা ঐহাক্কী নাক্তা লাকউ । ঐহাক্না নোংমা লেপকে মদুদা অদোম্না লাক্কদবনি । মদুগী নুমিৎ অদুদা ময়াম পুন্নমক্কী থৌরি তুংদগী ককথৎকনি (মশাগী অশেংবা মশকপু অজ্ঞানগী থৌরিনা পুনশিন্বা মদুদগী থাদোক্কনি) । নুংতিগী কক্কদবা নত্তে । নুংতিগীদি সতসঙ্গ গা মরি লৈনবা ৱারি-ৱাতাই শানৈ, তৌইগুম্বসুং নোংমগী নুমিৎ অমা লেপ্লগা মদুগী নুমিৎ অদুদা ব্লেত না থৌরি অদুবু ক্কথৎকনি(জ্ঞানবিধিদা মশাগী অশেংবা মশক্কী জ্ঞানবু ফংহল্লী)অতোপ্পা করিসু নত্তে । মতুংদা খুদক্তা অদোম্না খঙগনি মদুদি মসি পুন্নমক নাম্হোক্লে । থাবাক-তিংথোকলে, মদু ফাওবগা খুদক্তা হায়গনি, নাম্হোক্লে । হায়বদি মুক্তি ওইরে হায়বসি ফাওগদবনি । মুক্তি ওইবা হায়বসি তৌশিন্নবা ৱাফম নত্তে । হায়বদি অদোমবু মুক্তি ফংহল্লী ।

মসি 'জ্ঞান' অসি পীরি মদুগী নুমিৎ অদুদা করি ফাওবগে? জ্ঞানগী মৈরিনা মহাক্কী র্কমশিং অদু, পুন্নমক মাঙহল্লী । র্কম মথল অনিবু মাঙহল্লী অমসুং র্কম মথল অমদি লেমহৌই । মনিলগী মওংদা লৈবা র্কম, অদুদি তুমহল্লী । অমসুং ঈশিংগী মওংদা লৈবা র্কম, মদুসু তুমহল্লী অমসুং

বরফকী মওংদা লৈবা র্কম অদুদি তুম্বা ঙমদে । বরফকী মওংদা লৈবা র্কম অদুদি হকথেংন্না ময়োক্লবা মথৌ তাই । মরমদি মদু চেৎশিনখিবনা, র্কম মহৈ পীন্বগীদমক্তা শেম-শাদুনা লৈখ্রে, মদু মতুংদা লেপ্পা থাদে । তৌইগুম্বসুং ঈশিং অমসুং মনিলগী মওংদা লৈবা র্কম, অদুদি জ্ঞানমৈরিনা মাঙহল্লী । মরমদুনা জ্ঞান ফংবগা লোয়ন্না ইয়াং-য়াংবা ফাওরি মীয়াম্না, মহাক্কী জাগৃতি ( awareness ) খঙহেন-হেনগৎলি । মরমদি র্কমবু মাঙহন্দ্রিঙৈ মতম অদুফাও জাগৃতি হেনগৎপা ঙমদে মীওইবনা ! মসি বরফকী মওংদা লৈবা র্কমশিংদি ঐখোয়না হকথেংন্নবগী লৈরি । অমসুং মদুবু মতুংদা ইরায়-লায়না করমনা ময়োক্লগনি, মদুগী লম্বী পুন্নমক ঐহাক্না তাকলি মদুদি 'ভাই, *দাদা ভগৱাননা অসিম জয় জয় কার হো* হায়য়ু, ত্রিমন্ত্রা হায়য়ু, কলম মাপন হায়য়ু '।

ঐহাক্না জ্ঞান পীবা মতমদা, মদুদগী র্কমবু পুংতুম-তুমহল্লী অমসুং মতম অদুদা অজ্ঞানগী কুয়োম কয়াসু মচোই তাহল্লী । মতাং অদুদা ভগৱানগী ক্রিপা ফংবগা লোয়ন্না মহাক্না মশামক জাগ্রুত ওইবা ওই । মসিগী জাগৃতি অসি মতুংদা মাঙদে, তুম্বা-হৌগৎলবা মতুংদসু মদু মাঙদে।

লেপ্পা লৈতনা জাগ্রুত ওইদুনা লৈবা ঙম্মী । হায়বদি লেপ্পা লৈতনা প্রতীতি ( conviction ) লৈগনি । প্রতীতি করম কান্দা লৈবগে ? জাগৃতি লৈরবদি প্রতীতি লৈগনি । অহান্বদা জাগৃতি, মতুংদা প্রতীতি । মতুংদা ইশাদা ফাওবা ( অনুভব ) , জাগৃতি অমসুং প্রতীতি মসি অহুম অসি লৈগনি। প্রতীতি মতম লৈবা খিবিক্তা লৈ ওই । জাগৃতিদি মতম থরাগী ওইনা লৈ। করিগুম্বা ললোন-ইতিক নত্রগা থবক-থৌরমদা মাই-ওনশিনলবদি মতুংদা জাগৃতি মাঙগনি অমসুং থবক লোইরবা মতমদা অমুক হন্না জাগৃতি লাক্কনি। অমসুং অনুভবা করম কান্দা ওইগনি মদুদি থবক্তগী, পুন্নমক্তগী কোল্ল-কান্দা অমসুং ইতোমতা ফমবা কান্দা মতম অদুদা অনুভবগী মহাও ফংগনি । অসুম তৌনা অনুভবতি নোংমা-নোংমগী হেনগৎকনি । মরমদি অহান্বদা চন্দুলাল করি ওইরমবগে অমসুং ঙসিনা চন্দুলাল করিনো মদু খঙবা ঙম্মী । মসি করম্না হোংলকলিবনো ? আত্মা অনুভবতগী । অহান্বদা দেহাধ্যাস ( হকচাংবু ইশানি খন্বা ৱাখল্লোন) অনুভব ওইরম্মী অমসুং মসিনা আত্মা অনুভবনি ।

**ৰাহং-হংলিবা :** আত্মা অনুভব ওইরবা মতুংদা করি তৌবগে ?

**দাদাশ্রী :** আত্মা-অনুভব হায়বদি দেহাধ্যাস(হকচাংবু ইশানি থন্বা ৰাখল্লোন)লৈররোই । দেহাধ্যাস লৈররোই হায়বদি র্কম মরু হুন্বা অদু লেপ্লনি । মতুংদা হেন্বা করিবু পামলিবগে ?

## আত্মা-অনাত্মা অনিগী মরক্তা খায়দোকপা

মসি অক্রম বিজ্ঞাননি, মরমদুনা য়াম্না থুনা সমকিত ওই । নত্রগদি ক্রমিক লম্বীদদি, হৌজিক সমকিত ওইবা ঙমদ্রে । মসি অক্রম বিজ্ঞান অসিদি য়াম্না ৰাংবা মখলগী বিজ্ঞাননি । আত্মা অমসুং অনাত্মা অনিগী মরক্তা হায়বদি অদোমগী অমসুং মী অতোপ্পকী পোৎ অসিগুম্না অনিথোক্না তোঙান-তোঙান খাইদোক্লি । মসিনা অদোমগী শরুক অমসুং মসিনা অদোমগী নৎতবা শরুক, মরক্তা লাইন ওফ ডিমার্কেশন থমদুনা, চথৈ চীংদুনা য়াৎলি মদুদা । মতুং তাবদা য়ুমথংন্বগী ঈংথোলদগী ভেলেন্দ্রি ঐখোয়না চরোইদবনিদনা !

## লম্বী : ক্রম অমসুং অক্রম

তীর্থঙ্করশিংগী জ্ঞান অসি ক্রমিক জ্ঞাননি । ক্রমিক হায়বদি শিরি মথং-মথং কাবনি । পারিগ্রহ অসি মথং-মথং হন্থরক্লবা মতমদুদা মদুগা চপ-মান্ননা মোক্ষ য়ৌহনগনি, মদুসু মতম কয়াগী মতুংদা অমসুং মসি অক্রম বিজ্ঞান অসিনা করিনো ? শিরি কাখৎকদবা নত্তে, লিফ্ট(এলিভেটর)তা ফমগদবনি অমসুং মথোন তরানিথোই তোংদুনা চৎপা, অসিগুম্বা লিফ্ট লম্বী অসি থোংলক্লী । কনাগুম্বনা মসি লিফ্ট লম্বী অসিদা ফমখ্রবদি, মহাক্কী য়াইফবা ওইরে । ঐহাক্তি নিমিত্তনি । মসি লিফ্টতা কনাগুম্বনা ফমলবদি মহাক্কী চম্মন্বা ৰাহং খুদিংমক্কী ফোন ফংলগনি । ঊপাইদি পুরকপা মথৌ তাইদনা ? ঐখোয় মোক্ষতা চৎকদোইনি, মদুসু লিফ্টতা ফম্বগী প্রমান অদুদি লৈগদবনি লৈরোইদ্রনে ? মদুগী প্রমান হায়বদি অশাওবা-নাপল-মায়া-মীহৌচাওবা অসি লৈতবা, আর্তধ্যান-রৌদ্রধ্যান লৈতবা । হায়বদি থবক পুম্নমক লোশিল্লেদনা ?

# ‘ঐবু’ থেংনবা মদুনি অদিকারি (মতিক-চাবা) !

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি লম্বী অসি য়াম্না লাই, মদু ওইরবদি ফংন্নবগী মতিক-চাবা অদুদি য়েংলরোইদ্র ? মীওই খুদিংমক্না ফংবা য়াব্রা ?

**দাদাশ্রী :** মীয়াম্না ঐঙোন্দা হংই, ‘ঐ মতিক-চাবরা’ ? মতম অদুদা, ‘ঐহাকপু থেংনবা মরম্না অদোম মতিক-চাই’ । মসি ফংবা অসিদি সায়ন্টিফিক সরকমস্টেনশিয়ল এবিডেন্সনি মসিগী তুংদা । মরমদুনা ঐহাক্না কনাগুম্বনা ঊনারবদি, মহাকপু অদিকারি হায়না লৌই । ঊনাদবা অদুদি অদিকারি নত্তে । মহাক্না করিগী মতুং ইন্না ঊনারিবনো ? মহাক অদিকারিনি মদুগী মতুংনা ঐহাক্কা ঊনরিবনি । ঐহাক্কা ঊনারবা মদুগী মতুংদসু মহাক্না ফংদ্রবদি, মদু ওইরবদি মহাক্কী অন্তরায় (obstructive) কর্ম লৈবদগীনি ।

## ক্রমদনা ‘তৌবা’ অমসুং অক্রমদনা...

ভাই অমনা নোংমা ৱাহং অমা হংখি মদুদি ক্রম অমসুং অক্রমগী খেৎন্বা করিনো ? মদুদা ঐহাক্না হায়খি, ক্রম হায়বদি মীয়াম্না হায়নৈদনা অরান্বা থাদোকউ অমসুং অচুম্বা তৌ । মীয়াম্না মদুখক্তা হন্না-হন্না হায়বা, মদুগী মমিং ক্রমিক লম্বী । ক্রম হায়বদি পুম্নমক্না থাদোক্লবা হায়, মসি মীনম্বা (কপত)-মীহঊবা থাদোকউ অমসুং অফবা তৌ । হায়বশিংসি অদোম্না ঙসিফাও ঊরিদনা ?! অমসুং মসি অক্রম হায়বদি, তৌগদবা নত্তে । তৌবা-তৌহন্বা-তৌবিহন্বা অসি নত্তে ! ফুরিৎ-খাওদগী পৈশা হুখ্রবদি অক্রমদা হায়গনি, ‘মহাক্না হুরান্বা নত্তে অমসুং ঐগী হুখিবা নত্তে’ অমসুং ক্রমদদী অসিগুম্না হায়গনি, ‘মহাক্না হুরান্বনি অমসুং ঐগী হুখিবনি?’

অক্রম বিজ্ঞানদি লোত্তরি গুম্বনি । লোত্তরিদা প্রাইজ ফংই, মদুদা মহাক্না করি হোৎনবগে ? পৈশা মহাক্নসু পীখি অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংনসু পৈশা পীখি, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী ওইনা দাও য়ারে । অসিগুম্না মসি অক্রম বিজ্ঞান্না খুদক্তা মোক্ষ পীবা ঙম্মী, খুদক্তা শেনবুন (cash) ওইনা ।

## অক্রমদগী মমল য়াম্লবা অহোংবা

অক্রম বিজ্ঞানদি খ্বাইদগী অচৌবা অঙংপা কৌই । মসি ‘আত্মাজ্ঞান’ লৌরবা মতুংদা মথংগী নুমিত্তগী মীওইবনা অহোংবা ফাওরি। মসি তাবগা মীয়াম্না য়ানিংলি । মসিদা চীংশিনদুনা লাক্লি ।

## অক্রম লক্ষ্মী, পৃথিবী মফম খুদিংদা !

মসি সনয়োগ (সরকমস্টেনশিয়ল এবিডেন্স)অসিদি য়াম্না ৱাংবা মথল অমনি মদুদি অসিগুম্বা অসি করিগুম্বা মফম অমত্তফাও ওইথোকপা ওইদ্রি । মীওই অমথক, ‘দাদা’ মতোমতনা তৌবা ঙম্লি । কনাগুম্বা অমত্তনা তৌবা ঙমদে।

**ৱাহং-হংলিবা :** মসিগী মতুংদসু দাদাগী ক্রুপানিদনা ?

**দাদাশ্রী :** মসি চৎথদুনা লৈগনি । ঐহাক্কী অপাম্বনি মদুদি কনাগুম্বা অমা মপুং ফারবদি, মতুংদা লক্ষ্মী লমজিংবগী দরকার ওইদনা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** ওইনে !

**দাদাশ্রী :** তৌইগুম্বসুং ঐহাক্কী অপাম্বা মপুং ফারনি ।

**ৱাহং-হংলিবা :** ‘অক্রম বিজ্ঞান’ মথা চৎথরবদি, মদু নিমিত্তগী মথা চৎথগদোইরা !

**দাদাশ্রী :** ‘অক্রম বিজ্ঞান’ মথা চৎথদুনা লৈগনি । ‘অক্রম বিজ্ঞান’ চহী অমা-অনি অসিগুম্না চৎথরবদি প্রিথিবি পুম্বদা মসি খক্তাগী ৱাফম ওইগনি অমসুং য়ৌগনি খ্বাইদগী অৱাংবা মতোন্দা(মফম খুদিংমক্তা শিন-থুংনা শনদোক্কনি) । মরমদি অরান্বা ৱাফম কোকতোন য়ৌনা ঙাংবগুম, মদুগা চপ-মান্ননা অশেংবা ৱাফম কোকতোন য়ৌনা ঙাংগনি । অশেংবা ৱাফমগী মতিক-মগুণ তপ্না-তপ্না লাকপা ওই অমসুং অরান্বা ৱাফমগী মতিক-মগুণ য়াম্না থুবা ওই ।

## অক্রমদগী নুপীশিংবু মোক্ষ !

মীয়াম্না হায়নৈ মোক্ষ নুপাশিংগী থক্তা ওই, নুপীশিংগী মোক্ষ লৈতে। মসিগী ৱাফম অসিদা ঐহাক্না মঙোন্দা হায়গে মদুদি নুপীশিংগীসু মোক্ষ লৈ। করিগীদমক্তা লৈরোইদোইনো ? মদুদা হায়, মহাক্কী লোৎনা-থুপ্পা (kapat) অমসুং মোহ (attachment)গী গ্রান্থি(তিউমর)অদু য়াম্না চাওই। নুপাশিংগী গ্রান্থিদি পীকপা ওই, মহাক্কীনা সুরন(yam) অচৌবগুম্না ওই ।

নুপীশিংসু মোক্ষ চৎকনি । ময়াম্না চৎলোই হায়জরবসু, তৌইগুম্বসুং নুপীশিং মোক্ষকীদমক মতিক-চাই । মরমদি মহাক আত্মানি অমসুং নুপাশিংগা লোইনা টচ তা লাক্লি, মরমদুনা মহাক্কীসু ৱাহং খুদিংমক ফোন তারগনি, তৌইগুম্বসুং নুপীগী প্রকৃতিদা মোহ মতীক-মরেং কন্বনা য়াম্না মতম চংগনি!

## থবক লোইশিনহৌরো !

ইশাগী থবক লোইশিনহৌরো, দরকার ওইবা মতমদুদা । অসিগুম্নদি নত্তে অদোমবু শুংশোই-শোইদনা লাকউ হায়বা । অদোম্না য়াগনি থল্লগদি লাকউ ! অমসুং সংসার পাল্লবদি, নুংঙাইবা ফাওরবদি মতম অদুফাও বেপার চৎথবিয়ু । ঐহাক্না অসুম্না হায়বা নত্তে অদোম অসুম্না তৌবিয়ু। অমসুং ঐহাক্না অদোমদা চিঠিসু ইগদবা নত্তে । মসিদা লাক্লবদি অদোমদা হায়গনি, ‘ভাই, খুদোংচাবা অসি লৌবিহৌ’ । অসিথক্তা হায়গনি অদোমদা। চহী লীশিং কয়াদগী অসিগুম্বা বিজ্ঞান অসি ফোংদোকরক্তি । মরমদুনা ঐহাক্না হায়রি মদুদি মতুংদা লাক্কদবা কয়া লৈরবসু লাকসনু তৌইগুম্বসুং মসি থবক লোইশিনবা য়াবা অদুগুম্বনি।

# ৯) ‘জ্ঞানী পুরুষ’ কনানো ?

## সন্ত পুরুষ : জ্ঞানী পুরুষ !

**ৱাহং-হংলিবা :** মসিদা সন্ত ওইখ্রবা পুম্নমক, মখোয়গা অমসুং জ্ঞানী পুরুষকা কয়াম খেন্নবগে ?

**দাদাশ্রী :** সন্ত কনাগী মমিংনো হায়বদা, ফৎতবা থাদোকহন্বা অমসুং অচুম্বা অফববু তকপীবা । অরান্বা তৌববু থাদোকহন্দুনা অমসুং অচুম্বা তৌববু তাকপী-তমবিবা, মহাক্কী মমিং সন্ত ।

**ৱাহং-হংলিবা :** অর্থদি পাপ র্কমদগী কনবিবা মদুবু সন্ত ?

**দাদাশ্রী :** হোই, পাপ র্কমদগী কনবিবা মদুবু সন্ত, তৌইগুম্বসুং পাপ-পুনয়া, অনিমক্তগী কনবিবা, মহাক্কী মমিং জ্ঞানজ্ঞানী পুরুষ ! সন্ত পুরুষ অচুম্বা লম্বীবু তাকপী অমসুং জ্ঞানী পুরুষ মুক্তিবু ফংহল্লী । সন্তশিংদি কোইচৎ-চৎপনি । কোইচৎ-চৎপনি হায়বদি মহাক মশামকসু চৎপা অমসুং অতোপ্পা কোইচৎ-চৎপশিংবুসু হায়, 'চৎশিলাও, ঐহাক্কা লোয়ন্না' । অমসুং জ্ঞানীপুরুষ তী অরোইবা স্টেশন কৌই, মফম অদুদদি ঐখোয়গী থবক পুন্নমক লোইশিনগনি ।

অশেংবা, তশেংনমক্কী অশেংবা সন্ত কনানো? মমতা( attachment ) লৈতবা । অতোপ্পশিংদদি মমতা খরাদি লৈবা ওই অয়াম্বনা। অমসুং অশেংবা জ্ঞানী কনানো ? মহাক মশামক অহংকার অমসুং মমতা অনিমক লৈতবা।

মরমদুনা সন্তশিংবু জ্ঞানীপুরুষ হায়না কৌদে । সন্তশিংদি আত্মাগী মরমদা খঙদে । সন্তশিংদুনা মখোয়না মতুংদা জ্ঞানীপুরুষপু থেংনরবদি মতম অদুদা মহাক্কী ঊপাই ফংলগনি । সন্তশিংনসু মহাক্কী দরকার ওই । ময়াম পুন্নমক্লা মসিদা লাকপা মথৌ তাই, নথৈদুনা করম্না চৎকনি ! ময়াম পুন্নমক্কী অপাম্বা অসি মসি ওই ।

জ্ঞানীপুরুষ হায়বদি মালেমগী অঙকপা কৌই । জ্ঞানীপুরুষ হায়বদি মশেক-মঙাল ফাওদুনা লৈরিবা চাকলিবা মৈরি ।

## জ্ঞানী পুরুষপু থঙবা !

**ৱাহং-হংলিবা :** জ্ঞানীপুরুষপু করম তৌনা খঙগনি ?

**দাদাশ্রী :** করম তৌনা খঙগনি ? জ্ঞানীপুরুষতি ইরায়-লায়না

খঙবা য়াবা অদুগুম্বনি । মহাক্কী নুংশিবা মনমদগী খঙবা য়াই । মহাক্কী অকোইবদা অখন্নবা মখলগী ৱাতাৱরণ ওই । মহাক্কী ৱাহৈ অঙকপা মখলগী ওই । মহাক্কী ৱাঙাংদগী খঙবা য়াই । অরে, মহাক্কী মীৎতা য়েংদুনা খঙগনি । অসিদা নত্তনা, জ্ঞানীগী মফমদদি থাজবা থম্বা য়াবনা পীক-থন্না লৈতেংই, খ্বাইদগী ৱাংবা লেবেল্দা থাজবা থম্বা য়াবা ওই । মহাক্কী ৱাহৈ, তৌথোরকপ মওং অমসুং থৌগলোন-ব্যবহার পুক্নিংবু শুমহৎনিংঙাই ওই, পুক্নিংবু হুবা ওই । অসিগম্বা লক্ষণ ময়াম্না লৈতেংবা ওই ।

জ্ঞানী পুরুষতা বুদ্ধি খজিক্তং মরিক অমত্তফাও লৈতে ! মহাক্তি অবুধ ওই। বুদ্ধি খজিক্তং মরিক অমত্তফাও য়াওদবা অসিগুম্বা মীওইসি কয়াম লৈরমগনি? করিগুম্বা অক্কনবা মতমদা তাংনা পোকই অসিগুম্না, অমসুং মতম অদুদা মীয়ামগী য়াইফবা ওই । মতম অদুদা মীওই লাক্ষ কয়ানা(সংসার স্মুদ্র) লান্দুনা তোর্বান য়ৌবা ঙম্মী । জ্ঞানী পুরুষতি অহংকার লৈতবা ওই, খজিক্তংফাও অহংকার লৈতে । য়েংলুরগদি অহংকার লৈতবা মীওই অমত্তা মসি সংসার অসিদা লৈতে । জ্ঞানী পুরুষ খক্তা অহংকার লৈতবা ওই ।

জ্ঞানী পুরুষতী চহী লিশিং কয়াগী মনুঙদা অমতং ওইনা তোমথিল ঙাল্লী। মসি নত্তবা অতোপ্পা সন্ত, শাস্ত্র জ্ঞানীশিংদি য়াম্না লৈ । ঐখোয়গী মসিদা শাস্ত্র-জ্ঞানী য়াম্না লৈ তৌইগুম্বসুং আত্মাগী জ্ঞানীদী লৈতে । আত্মাগী জ্ঞানী ওইরগদি, মহাক্তি খ্বাইদগী নুংঙাইবা ওই, মহাক্তি অৱাবা খজিক্তংফাও লৈতে । মরমদুনা মফম অদুদা ঐখোয়গী য়াইফবা ওই । মশামক মশাগী য়াইফদুনা ফমলবদি, মহাক খক্তনা ঐখোয়না য়াইফহন্বা ঙমগনি । মশামক লান্থোকপা ঙম্বা, মহাক অদুনা ঐখোয়বুসু লান্থোকপীবা ঙমগনি । নত্রগদী মশামক লুপ্পলবদি, মহাক্না কৈদৌনুংদা লান্থোকপীবা ঙমলোই ।

# (১০) 'দাদা ভগৱান কনানো ?

## 'ঐ' অমসুং 'দাদা ভগৱান, অমখক্ত নত্তিয়ে !

**ৱাহং-হংলিবা :** অদোমবু ভগৱান্নি হায়না করম তৌনা

কৌরিবনো?

**দাদাশ্রী :** ঐ ইশামক ভগৱান নত্তে । ভগৱানবু, 'দাদা ভগৱানবু ঐহাক্লসু খুরুমজৈ । ঐ ইশামক চাহুমগা য়াংখৈ-তরুক দিগ্রিদা লৈ অমসুং 'দাদা ভগৱান চাহুমগা হুমফুদা লৈ । ঐহাক্কী দিগ্রি মরি ৱাংলি, মরম অদুনা 'দাদা ভগৱানবু ঐহাক্লসু খুরুমজৈ ।

**ৱাহং-হংলিবা :** মদু করিগীদমক্কীনো ?

**দাদাশ্রী :** মরমদি ঐহাক্না দিগ্রি মরি অসি লোইশিন্বা পামই । ঐহাক্না দিগ্রি মরি অসি লোইশিন্বা মথৌ তাইনেকো ? দিগ্রি মরি ৱাংলি, ফেল ওই তৌইগুম্বসুং পাস তৌদনদি নাম্হোকপা ওইথোক্তেদনা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** অদোমবু ভগৱান ওইন্বা মমতা লৈব্রা ?

**দাদাশ্রী :** ঐহাক্তি ভগৱান ওইবা অসি য়াম্না লুম্বা মওং ওইনা ফাওই । ঐদি ( লগুতম) খ্বাইদগী পিকপা পুরুষনি । মসি মালেম অসিদা ঐঙোন্দগী হেন্না পিকপা অমত্তা লৈতে অসিগুম্বা খ্বাইদগী পিকপনি। হায়বদি ভগৱান ওইবা অসি ঐহাক্তি য়াম্না লুম্বা ওইনা ওই, মসিগী ওন্নবদা ইকাইবা ফাওই ।

**ৱাহং-হংলিবা :** ভগৱান ওইনবা নত্রগদি মসি দিগ্রি মরি অসিবু লোইশিন্নবা পুরুসার্ট করিগীদমক্কী তৌরিবনো ?

**দাদাশ্রী :** মদুদি মোক্ষতা চৎন্নবগীদমক্তনি ! ঐহাক্না ভগৱান ওইদুনা করি তৌগনি ? ভগৱানদি, ভগৱাত গুণ ওইবশিং, মখোয় পুম্নমক ভগৱান ওই । 'ভগৱান ৱাহৈ অসিদি খ্বাইদগী ৱাংবা খুবমনি । কনাগুম্বা মীওই অমা মদুগী মতীক চারবদি, মদু ওইরবদি মীয়াম্না মহাকপু ভগৱান হায়না হায়নৈ ।

## মসিদা প্রগত ওইরি, লোক তরামরিগী মপু!

**ৱাহং-হংলিবা :** 'দাদা ভগৱান' ৱাহৈ অসিগী প্রয়োক কনাগীদমক্তা তৌবনো ?

**দাদাশ্রী :** 'দাদা ভগৱান'গীদমক্তা । ঐহাক্কীদমক্তা নত্তে, ঐদি জ্ঞানী পুরুষনি ।

**ৱাহং-হংলিবা :** করম্বা ভগৱান ?

**দাদাশ্রী :** 'দাদা ভগৱান', লোক তরামরিগী মপু মহাক্কীদমক । মহাক অদোমদসু লৈ, তৌইগুম্বসুং অদোমদদি প্রগত ওইদে । অদোমদদি ফোংদোক্তনা লৈ অমসুং মসিদনা ফাওগৎতুনা লৈ । ফোংদোক্লবদি, মদু মহৈ ফংই, অসিগুম্বনি । অমুক্তং ওইরবসু মহাক্কী মমিং লৌরবদি থবক পুম্নমক চৎথদুনা লোইশিনগনি । তৌইগুম্বসুং মদুবু খঙবগা লোয়ন্না হায়রবদি য়াইফবা ওই অমসুং সংসারগী ওইবা পোৎ-চৈগী করিগুম্বা অৱাবা ওইরগদি মদুসু অৱাবা লৈররোই । তৌইগুম্বসুং মদুদা মীহৌচাওবা থমগনু মীহৌচাওবা ওইরগদি মদুগী অপেন্বদি লোইবা ওইরোই । অদোমদা মমুত্তবরা 'দাদা ভগৱান' করিনো হায়বা ?

মসিদা উরিবসি, মহাক্তি 'দাদা ভগৱান' নত্তে । অদোম্না মসিদা উরিবা অসিবু, 'দাদা ভগৱান' ওইনা খনলমগনি নত্রনে ? তৌইগুম্বসুং মসিদা উরিবা অসিদি ভাদরনগী পতেলনি । ঐহাক্তি 'জ্ঞানী পুরুষ'নি অমসুং 'দাদা ভগৱান'দি মনুঙদা ফমলি, মনুঙদা ফাওগৎলিবা মহাক অদুবুনি। লোক তরামরিগী মপু প্রগত ওইরি, মহাকপু ঐহাক ইশামক্লা উথি, ইশামক্লা ফাওবা ওইথি । মরমদুনা ঐহাক্লা গেরেনটিগা লোয়ন্না হায়রি মদুদি মহাক মনুঙদা ফাওগৎলি । অমসুং মসিদা ৱারি শানরিবা অসিনা কনানো ? 'তেপ-রেকোড' ৱারি শান্নরি । মরমদি 'দাদা ভগৱান'দা ৱা-ঙাংনবগী শক্তি লৈতে অমসুং মসি 'পতেল' অসিদি 'তেপ-রেকোড' কী মতেংনা ঙাংলি । মরমদি 'ভগৱান' অমসুং 'পতেল' অনি অসি তোঙান-তোঙান্না ওইরি, মরমদুনা মদুদা অহংকার তৌবা ঙমদে । মসিদা 'তেপ-রেকোড'না ঙাংলি, মদুগী ঐনা জ্ঞাতা-দ্রষ্টা লৈ । অদোমগীসু তেপ-রেকোডনা ঙাংই, তৌইগুম্বসুং অদোমগী ৱাখলদা 'ঐনা ঙাংবা' অসিগুম্বা গর্বরস (অহংকারগী মহাও) অদোমদা ফাওরি । ঐহাক্লসু দাদা ভগৱানবু থুরুমজবা মথৌ তাই । ঐহাক্লা দাদা ভগৱানগা লোয়ন্না তোঙান-তোঙানবা ব্যবহার তৌই । ব্যবহারদি তোঙান-তোঙানবা ওই। তৌইগুম্বসুং মীয়াম্নদি অসিগুম্না খল্লি মদুদি মসি মশামক দাদা ভগৱাননি

হায়না । নত্তে, মশামক দাদা ভগৱান করম্না ওইগদৌরিনো ? মসিদি পতেলনি, ভদরানগী।

# ১১)সীমন্দর সৱামী কনানো ?

## তীর্থঙ্কর ভগৱান শ্রী সীমন্দর সৱামী !

**ৱাহং-হংলিবা :** সীমন্দর সৱামী কনানো, মসিবু খঙন্নবগী ক্রুপা পীনবিয়ু ?

**দাদাশ্রী :** সীমন্দর সৱামী হৌজিক-হৌজিক লৈরিবা তীর্থঙ্কর সাহেবনি । মহাক অতোপ্পা ক্ষেত্রাদা লৈ । অসিগুম্না রুষভদেব ভগৱান্না ওইবগুম, মহাবীর ভগৱান ওইবগুম অসুম্না সীমন্দর সৱামী তীর্থঙ্করনি । ঙসিসু মহাবিদেহ ক্ষেত্রাদা লৈরি ।

মসিদা নত্তনদি, মহাবীর ভগৱান্নদি পুম্নমক ফোংলমদুনা চৎখি। তৌইগুম্বসুং মীয়ামগী খঙবা অসি অতিংবা ওইদে মরমদুনা করি তৌবা ঙম্বগে ? মরম অদুনা মহৈ ফংবা ঙমদ্রিবনি ?

ভগৱান মহাবীরনা হায়রমই মদুদি 'হৌজিক কুনমরি লোইশিল্লে, হৌজিক(ভারত ক্ষেত্রাদা) তীর্থঙ্কর লৈররোই, মরম অদুনা মহাবিদেহ ক্ষেত্রাদা লৈরিবা তীর্থঙ্করবু, মহাকপু খুরুম্মু । মফম অদুদা হৌজিক-হৌজিক তীর্থঙ্কর লৈ, মহাকপু খুরুম্মু ।' তৌইগুম্বসুং মসিদদি হৌজিক মীয়ামগী লক্ষতা লৈতে । অমসুং মসি কুনমরিবু তীর্থঙ্করনি হায়রি, মীয়াম পুম্নমক্না !

## ৱাখলদদী সীমন্দর সৱামী থক্তা !

মীয়াম্না ঐঙোন্দা হংই মদুদি অদোম্না সীমন্দর সৱামীগী খুরুজবা, শোনজবা, নিংজবা অসি করিগী তৌহন্বগে?কুনমরি তীর্থঙ্করশিংগী করিগী তৌহন্দবগে? মদুদা ঐহাক্না হায়, কুনমরি তীর্থঙ্করশিংগীদি হায়রি তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না নিয়মগী মতুং ইন্না হায়রি । সীমন্দর সৱামীগী হেন্না-হায়রি । মরমদি মহাক হৌজিক লৈরিবা তীর্থঙ্কর কৌই অমসুং মসি 'নমো

অরিহন্তানমঃ’ মহাকপু য়ৌই । নৌকার মন্ত্র হায়বা মতমদা সীমন্দর সৱামী নিংশিংগদবনি, মতম অদুদা অদোমগী নৌকার মন্ত্র অশেংবা ওইরে হায়গনি।

## ঋণানুবন্দ, ভারত ক্ষেত্রাগী !

**ৱাহং-হংলিবা :** সীমন্দর সৱামীগী মরমদা তাকপীয়ু ।

**দাদাশ্রী :** সীমন্দর সৱামীগী হৌজিক চহী লক্ষ অমগা লিশিং হুম্ফুদ্রমঙানি । মহাকসু রুষভদেব ভগৱানগা চপ-মান্নে । রুষভদেব ভগৱান ব্রাহ্মান্দ পুম্নমক্কী ভগৱান হায়না কৌই । মসিগা চপ-মান্না মহাকসু ব্রাহ্মান্দ পুম্নমক্কী ভগৱাননি । মহাক ঐখোয়গী ভারত ক্ষেত্রা অসিদা লৈতে তৌইগুম্বসুং অতোপ্পা মফমদা, মহাবিদেহ ক্ষেত্রাদা লৈ হায়বদি মফম অদুদা মীওইবনা চৎপা ঙমদে । জ্ঞানীনা (ভগৱানদগী করিগুম্বা ৱাহংগী পাওখুম হংগে হায়রবদি) মহাক্কী শক্তি মফম অদুদা থাই, হংলগা লাকই । মফম অদুদা মপানগী ঊরিবা হকচাং অসিদগী চৎপা ঙমদে, তৌইগুম্বসুং মফম অদুদা পোক্লবদি চৎপা ঙম্মী । করিগুম্বা মফম অসিদগী মফম অদুগী মতিক চারবদি মফম অদুদা পোকপা ওই ।

ঐখোয়গী অসিদা ভারত ক্ষেত্রাদা তীর্থঙ্করশিংগী পোকপগী হৌজিক্তি অথিংবা ওইরে, চহী লিশিং অনিগা চামঙাদগী । তীর্থঙ্কর হায়বদি চারম হকচাং, ‘ফুল্ল মূন’ (মপুং ফাবা থা) । তৌইগুম্বসুং মহাবিদেহ ক্ষেত্রাদদি মতম চুপ্পাদা তীর্থঙ্কর লৈ । সীমন্দর সৱামী হৌজিক্কী মতম অসিদা মফম অদুদা হিংলি । ঐখোয়গা চপ-মান্ননা হকচাং ওই, পুম্নমক লৈ ।

# ১২) ‘অক্রম লম্বী’ হাংদোক্লি !

## তুংদা জ্ঞানীশিংগী ৱনশাৱলী (হেরিদিটি) !

ঐনা ঐহাক্কী মতুংদা জ্ঞানীশিংগী লীখুন হাংদোক্লমগনি । ঐহাক্কী পাংথোক্কদবা থবক-থৌরমশিং শিনরমগনি অমসুং মদুগী মতুংদা জ্ঞানীশিংগী মরী চৎথদুনা লৈগনি । মরম অদুনা হিংলিবা মুর্তিবু থিয়ু । মহাক য়াওদনদি পাওখুম পুরকপা ঙমলোই ।

ঐহাক্না মীওই খরাবু ঐহাক্কী খুৎতগী সিদ্ধি শিনরমগনি । মতুংদা কনাগুম্বনা দরকার ওইদনা ওইরোইদ্রনে ? মতুংদা মীয়াম্না লম্বীদি মতৌ তাইনেকো ?

## জগৎনা য়াবা মহাক, মহাক অদুগী চৎথগনি !

**ৱাহং-হংলিবা :** অদোম্না হায়রি মদুদি ঐগী মতুংদা লিশিং নিমফু-য়াংঙৈ কপ্পবা লৈগনি তৌইগুম্বসুং শিষ্যদি অমত্তা লৈরোই । হায়বদি মসিদা অদোম্না ফোংদোক্লিংলিবা অসি করিনো ?

**দাদাশ্রী :** ঐহাক্কী শিষ্য কনামত্তা লৈরোই । মসিদা ফমফম সিংহাসন লৈতে । সিংহাসন ফমফম লৈরবদি মতুংতাবা লৈদনা ! কনাগুম্বা মরী-মতাগী মওংদা মতুংতাবা ওইনা লাক্লবদি ! মসিদদি অয়াবা, মহাক্কী চৎথগনি । মীয়াম পুম্নমক্কী শিষ্য ওইবা মহাক্না, মহাক্কী থবক ওইগনি । মসিদদি মীয়াম্না য়াবা, মহাক্কী চৎথগনি । লাগুতম ওইরগদি, মহাকপু জগৎনা য়াগনি ।

# ১৩) আত্মাদ্রষ্টি ফংলবা মতুংদা...

## আত্মা ফংলে হায়বগী মওং-মতৌ !

'জ্ঞান' ফংদ্রিঙৈগী মমাঙদা অদোম চন্দুভাই ওইরম্মী অমসুং হৌজিক জ্ঞান ফংলবা মতুংদা অশেংবা আত্মা ওইরে, মদুদা অনুভবতা খরাদি খেন্নবা ফাওবরা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** হোয় ।

**দাদাশ্রী :** 'ঐ অশেংবা আত্মানি' মসি নিংশিংবা অসি অদোম্না মতম কয়াম লৈবা ঙমবগে ?

**ৱাহং-হংলিবা :** ঈংনা-চিক্না ইতোমতা ফম্বা মতমদা ।

**দাদাশ্রী :** হোয় । মতুংদা করি ৱাখল্লোন লৈবগে ? অদোমবু

'ঐ চন্দুভাইনি' অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি করিগুম্বা মতমদা লৈব্রা ? অদোম্না তশেংনমক্কী 'ঐ চন্দুভাইনি' অসিগুম্বা ৱাখল্লোন অসি করিগুম্বা নুমিৎ অমতং ওইরবসু ফাওব্রা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** জ্ঞান লৌরবা মতুংদা ফাওদে ।

**দাদাশ্রী :** মদু ওইরবদি অদোম অশেংবা আত্মানি । মীওইবনা ভাব(ৱাখল্লোন) অমখক্তং লৈবা ঙম্মী । হায়বদি 'ঐ অশেংবা আত্মানি' মসি অদোমদা লেপ্পা লৈতনা লৈ ।

**ৱাহং-হংলিবা :** তৌইগুম্বসুং অনম্বা মতমদা ব্যবহারদা 'ঐ অশেংবা আত্মানি' হায়বগী নিংশিংবা অসি লৈতে ।

**দাদাশ্রী :** মদু ওইরবদি 'ঐ চন্দুভাইনি' মসি ধ্যান অসি লৈব্রা ? পুং অহুম অশেংবা আত্মাগী ধ্যান লৈতবা অমসুং পুং অহুমগী মতুংদা, হঙলবদি 'অদোম চন্দুভাইরা নত্রগা অশেংবা আত্মারা ? মদুদা করি হায়গনি ?

**ৱাহং-হংলিবা :** অশেংবা আত্মা ।

**দাদাশ্রী :** হায়বদি মদুগী ধ্যান অদুদি লৈ । সেঠ অমনা, মহাক্না য়ু থক্লবা মতুংদা, মতম অদুদা মহাক্কী ধ্যান পুন্নমক লৈরোই, তৌইগুম্বসুং য়ুগী নশা হন্দোক্লবা মতুংদা...?

**ৱাহং-হংলিবা :** মতুংদা জাগৃত ওই ।

**দাদাশ্রী :** অসিগুম্না মসিসু মপান্দগী ইশাদা ফাওবনি । ঐহাক্না হংবদা হায়বদি অশেংবমক্কী অদোম 'চন্দুভাই'রো নত্রগা 'অশেংবা আত্মা'রো? অদোম্না হায় অশেংবা আত্মা । মথংগী নুমিত্তা অদোমদা হংই 'অদোম অশেংবমক্কী কনানো ?' মতম অদুদা হায় 'অশেংবা আত্মা'নি । নুমিৎ মঙানিফাও ঐহাক্না হংলবদি, মসিগী মতুংদা ঐহাক্না খঙগনি মদুদি অদোমগী মোক্ষকী শোজে ঐগী নাক্তা লৈরে ।

## লাক্লে কৈদৌনুংদা ফংদ্রিবা ভান!

শ্রীমর্দ রাজচন্দ্রজি করি হায়বগে মদুদি, “সদগুরুগী উপদেশ তগী ফংই কৈদৌনুংদা ফংদ্রিবা ভান, ইশাগী অশেংবা খুবম ইশাগী মনুঙদা ফংলে, অজ্ঞানদগী কোক্লে ।”

অহান্বদা হকচাং অসি ঐহাকনি হায়বগী ভান লৈরম্মী । অহান্বদা হকচাং অসি ঐহাক নত্তে হায়বগী ভান ঐঙোন্দা লৈরমদে । মদু কৈদৌনুংদা ফংদ্রিবা ভান, মদুগী আত্মাগী ভান ঐহাক্না ফংথি । মশাগী অশেংবা খুবম ওইরম্বা ‘ঐ চন্দুভাইনি’ অসিগুম্না হায়রম্বা, মদু হৌজিক ‘ঐ’ ইশাগী মনুঙদা ফমখ্রে । ইশাগী খুবম অদু, হৌজিক ইশাগী মনুঙদা ফমখ্রে অমসুং অজ্ঞান লৈরম্বা অদু, ‘ঐ চন্দুভাইনি’ মদুগী অজ্ঞান অদু কোক্লে ।

## মসিবু দেহাধ্যাস হায়গদ্রা!

জগৎ পুম্নমক্না দেহাধ্যাস(হকচাংনি হায়বা ৱাখল্লোন)দগী নাল্হোকপা ঙমদে অমসুং ইশাগী অশেংবা মশক অদুদা লৈবা ঙমদে । অদোম অশেংবা মশক অদুদা লৈরবদি অহংকার লৈত্রে, মমতা লৈত্রে । ‘ঐ চন্দুভাইনি’ মসিবু দেহাধ্যাস হায়না কৌরি অমসুং ‘ঐ অশেংবা আত্মানি’ মসি লক্ষ অসি ফল্লবদি, মতম অদুদগী অতোপ্পা করিমত্তা অধ্যাস লৈররোই । হৌজিক করিসু লৈত্রে । করিগুম্বা অশোয়-অরান য়াওরবদি সফোকেশন থরাদি ওইগনি।

## অশেংবা আত্মাগী খুবম অশেংবা !

হায়বদি মসি ‘জ্ঞান’ লৌরবদা মতুংদা অহান্বগী লান্না থাজবা লৈরম্মী মদুদি ‘ঐনা তৌবনি’, মদুগী ভান অদু লৈত্রে । মরম অদুনা ঐ অশেংবনি, মসিগী ভান অসিবু লৈনবগীদমক ‘অশেংবা আত্মা’নি হায়রি । কনাগুম্বা অমগা করিগুম্বা অমা থোক্লবসু, ‘চন্দুভাই’দা অথিবা ৱাহৈ ঙাংলবসু, তৌইগুম্বসুং অদোম অশেংবা আত্মানি । মতুংদা ‘ঐখোয়না’ চন্দুভাইদা হায়গদবা ‘ভাই, ‘মহাকপু অৱাবা ফাওবা অদুগুম্বা অতিক্রমন করিগী তৌরিবনো ? মরম অদুনা প্রতিক্রমন তৌ ।’

কনাগুম্বা অমবু নুংঙাইতবা ফাওবা করিগুম্বা ৱাফম ঙাংথ্রবদি, মদু ‘অতিক্রমন তৌবনি’ হায়গনি । মদুগী প্রতিক্রমন তৌগদবনি ।

প্রতিক্রমন, হায়বদি অদোম্না খঙবগী মতুং ইন্না, মঙোন্দা ঙাকপীয়ু হায়জবা । মসি অরান্বা অসি তৌখ্রে মসি ঐনা খঙঙবদি অমসুং হৌজিক অমুক হন্না অসিগুম্বা দোষ অসি অমুক-হন্না তৌজররোই অসিগুম্না পান্দম লেপকদবনি । অসিগুম্না তৌথিবা মদু অরান্বনি, অসিগুম্বা অসি তৌরোইদবনি, মতুংদা অমুক-হন্না তৌররোই, অসিগুম্না প্রতিজ্ঞা লেপকদবনি । মদু ওইজরবসু মতুংদা অমুক-হন্না থোক্লবদি অমসুং হন্নাগী অরান্বা অদুগা চপ-মান্না থোক্লবদি অমুক হন্না repentence তৌগদবা, তৌইগুম্বসুং উরিবমথৈ, মদুগী থমোই-শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওরবদি, মদুমথৈ কোক্লগনি । অসিগুম্না তপ্না-তপ্না লোইশিনগনি মতুংদা ।

**ৱাহং-হংলিবা :** কনাগুম্বা মীওই অমগী প্রতিক্রমন করম তৌনা তৌগনি ?

**দাদাশ্রী :** পুক্লিং-ৱাঙাং-হকচাং, ভাবকর্ম-দ্রবয়াকর্ম-নৌকর্ম, (মীওই অদুগী) মমিং অমসুং মহাক্কী মমিংগী মায়া পুন্নমক্তগী, তোঙানবা অসিগুম্না মহাক্কী অশেংবা আত্মাবু নিংশিংদুনা, অমসুং মতুংদা অরানবা কয়া অমা লৈরবসু মদুবু নিংশিংদুনা (অলোচানা), মদুগী অরানবশিং অদুগী ঐঙোন্দা থমোই-শোক্লা নুংঙাইতবা ফাওই অমসুং মদুগীদমক্তা ঐহাকপু ঙাংপীয়ু, (প্রতিক্রমন), অসিগুম্বা অরান্বা অমুক হন্না তৌজররোই অদুগুম্বা লেংদবা-পান্দম লেপলি, অসিগুম্না থোংফম লেংদনা লেপ্পা (প্রত্তয়খ্যান) তৌগদবনি । ‘ঐখোয়’ ইশামক্লা ‘চন্দুভাই’গী জ্ঞাতা-দ্রাস্তা লৈদুনা অমসুং খঙলবদি মদুদি ‘চন্দুভাই’না প্রতিক্রমন কয়াম তৌবগে, কয়াম ফজনা তৌবগে অমসুং মশিং কয়াম্না তৌবগে ।

## প্রজ্ঞানা মনুঙদগী চেকশিনহল্লী !

মসিদি বিজ্ঞান্নি মরমদুনা ঐখোয়না মসিগী অনুভব ফংলি অমসুং মনুঙদগী চেকশিনহল্লী । ক্রমিক্তদি ঐশামক তৌবা ওই অমসুং মসিদদি মনুঙদগী চেকশিনহল্লী ।

**ৱাহং-হংলিবা :** হৌজিক মনুঙদগী চেকশিনহন্বা অসি ফংলি মসিগুম্বা অনুভব ফংলি ।

**দাদাশ্রী :** হৌজিক ঐহাক্না মসি লম্বী অসি ফংলে অমসুং অশেংবা আত্মাগী পনখৈ লৈদনা, মদুগী অহান্বা থোংগী মনুঙদা য়াওরে । মফম অদুদগী কনামত্তনা অমুকহন্না নাম্থোকপা ঙমদে । কনাগুম্বা অমত্তনা নাম্থোকপা অদিকার লৈতে, অদুগুম্বা জগাদা অদোম্না ফমলি ।

হন্না-হন্না কনানা চেকশিনহন্বগে ? প্রজ্ঞা ! 'জ্ঞান' ফংদনদী প্রজ্ঞাগী হৌরকফম ওইদে । নত্রগা সমকিত ফংলগদি প্রজ্ঞাগী অহৌবা ওই। সমকিত্ত প্রজ্ঞাগী অহৌবা করম্না ওইবগে ? নিনিগী থাগুম্না অহৌবা ওই। ঐখোয়গী অসিদদি মপুংফাবা প্রজ্ঞা ফাওগৎলি । ফুল(মপুংফাবা) প্রজ্ঞা হায়বদি মতুংদা মোক্ষতা পুনবগীদমক্ত, মহাক্না চেংশিনহল্লী । ভারত রাজাগীদি চেকশিনহন্নবগী মী থমলম্মী, শনত্রি থমলম্মী । মিনিত তরামঙা খুদিংগী খোজেল পীরম্মী, 'ভারত রাজা ! চেকশিনবিয়ু, চেকশিনবিয়ু, চেকশিনবিয়ু!!!' অহুমলক খোনজেল লাওদুনা পীরম্মী । য়েংবিয়ু, অদোমগীদি মনুঙদগী ওইনা প্রজ্ঞানা চেকশিনহল্লী । প্রজ্ঞা লেপ্পা লৈতনা চেকশিনহল্লী, মদুদি 'এঃ, অসিগুম্না নত্তে' । পুং কুনমরি চেকশিনহন্দুনা লৈ অমসুং মসিনি আত্মাগী অনুভব ! লেপ্পা-লৈতনা, পুং কুনমরি আত্মাগী অনুভব !

## অনুভব(experience) মনুঙদা ওই !

জ্ঞান পীবা নুমিদাং, মদুগী নুমিদাংদগী অনুভব অদুদি, মাঙবা ঙমদে । করম তৌনা মাঙগনি মতুংদা !? ঐহাক্না জ্ঞান পীবা নুমিৎ, মদুগী নুমিদাংগী অনুভব অদুদি মতম লৈবা খিবিক্কীনি । তৌইগুম্বসুং মতুংদা মসি অদোমগী র্কমশিং অমুক হন্না কোইশিল্লী, মমাঙ-মপোক্কী র্কমশিং, চৈথেং পীগদৌবা ৱাৎলিবশিং মদুগী লৌগদবশিংনা অমুক হন্না-য়োমশিল্লি, মদুদা ঐহাক্না করি তৌগনি ?

**ৱাহং-হংলিবা :** দাদাজী, তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি অদুগুম্বা চৈথেং মান্দেদা ।

**দাদাশ্রী :** নত্তে । মান্দে হায়বা অদুনা অতোপ্পা ৱাফমনি । তৌইগুম্বসুং লৌনবা মীওইদুনা য়ামলবদি, মদু ওইরবদি মহাকপু হেন্না য়োমশিল্লি । মঙা লৌবা ওইরদি মঙা, অনি ওইবনা অনি, অমসুং কুন ওইবনা কুন । ঐহাক্না অদোমবু অশেংবা আত্মাগী খুবমদা থমখ্রে, তৌইগুম্বসুং মতুংদা লৌনবা মীওই অদুনা মথংগী নুমিত্তা লাক্লবগী হায়বদি সফোকেশন থরাদি ওই ।

## হৌজিক করি লৈহৌরিবগে ?

অহান্বগী অদুনা ক্রমিক বিজ্ঞান্নি মসিনা অক্রম বিজ্ঞান্নি । মসি জ্ঞান অসিদি বীতরাগশিংগী বিজ্ঞান্নি । জ্ঞানদা অহোংবা লৈতে । ঐহাক্না জ্ঞান পীবা মতুংদা অদোম্না আত্মাবু অনুভব ওইরবা মতুংদা করি থবক লৈহৌরিবগে ? জ্ঞানী পুরুষকী 'আজ্ঞা'বু য়াথং ইন্বা । আজ্ঞা অসিনা ধর্মনি অমসুং আজ্ঞা অসিনা তপ(penance)নি । অমসুং ঐহাক্কী আজ্ঞা সংসারদা খজিক্তংফাও অথিংবা ওইদে । সংসারদা লৈদুনসু তৌইগুম্বসুং সংসার শোক্তে, অদুগুম্বা অক্রম বিজ্ঞান্নি মসি ।

মসি নত্তনা করিগুম্বা মপোক অমখক্তা ওইগে হায়রবদি ঐহাক্না হায়বা মতুং ইন্না আজ্ঞাদা চৎলু । মদু ওইরবদি মপোক অমা থক্তাগী বিজ্ঞান্নি মসি । মসি বিজ্ঞান ওইজরবসু তৌইগুম্বসুং মসিদগী চপ-তিংনা মোক্ষ চৎপা ঙমদে ।

## মোক্ষ লম্বীদা, আজ্ঞা অসিনা ধর্ম....

কনাগুম্বনা মোক্ষতা চৎকে হায়রবদি করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌবগী মথৌ তাদে । কনাগুম্বনা দেব-গতি(শর্গদা)চৎকে হায়রবদি, মপানগী নুংঙাইববু পাল্লবদি, মহাক্না থবক তৌবগী মথৌ তাই । মোক্ষতা চৎকে হায়রবদি মহাক্না জ্ঞান অমসুং জ্ঞানীগী আজ্ঞা অনিগী মথৌ তাই ।

মোক্ষ লম্বীদা তপ-ত্যাগ করিগুম্বা অমত্তা তৌবগী মথৌ তাদে । জ্ঞানী পুরুষ থক্তবু ফংলবদি জ্ঞানীগী আজ্ঞা অদুনা ধর্মনি অমসুং আজ্ঞা অদুনা তপ নি । মদুগী প্রত্যক্ষ মহৈ মোক্ষনি ।

## ‘জ্ঞানী’গী মনাক্তা লেংদনা লৈবা

জ্ঞানীদা নোংমতফাও নুংশিবা ৱাখল্লোন লাক্তে । অমসুং জ্ঞানীদা নুংশিবা ৱাখল্লোন লাক্লবদি, মতম অদুদগী উপাই পুম্নমক লাক্লগনি । মপোক খুদিংগী নুপী-অঙাং নত্তনা অতোপ্পা করিসু তৌদেদনা!

ভগৱান্না হায় মদুদি জ্ঞানী পুরুষ মনাক্তগী সমকিত ওইরবা মতুংদা জ্ঞানী পুরুষকী মতুং ইল্লু ।

**ৱাহং-হংলিবা :** করি অর্থগী মতুং ইনগদৌবনো ?

**দাদাশ্রী :** করি অর্থদা হায়বদি, মসি জ্ঞান অসি ফংলবা মতুংদা অতোপ্পা নিংজগদবা লৈতে । তৌইগুম্বসুং ঐহাক্না থঙই মদুদি মসি অক্রমনি। মখোয়শিং অসিনা মশিং থিঙমদ্রবা ফাইলশিং পুরক্তুনা লাক্লি । মরম অদুনা অদোমবু ফাইলশিংগীদমক কোমহল্লি তৌইগুম্বসুং মদুগী অর্থ মসিদি নত্তে থবক লোয়রে হায়বা । হৌজিক-হৌজিক্তি ফাইলশিং য়াম্না লৈ, মরম অদুনা অদোমবু ঐহাক্কী নাক্তা থল্লবসু অদোমবু ‘ফাইলশিং’না কৌবা লাক্কনি । মরম অদুনা কোমহল্লি মদুদি য়ুমদা চত্তুনা ফাইলশিংবু *সমভাব* (equanimity) কা লোয়ন্না *নিকাল (settle)* তৌবিয়ু । নত্রগদি জ্ঞানীগী মনাক্তা লেংদনা লৈগদবনি ।

মসি নত্তনদি, ঐঙোন্দগী করিগুম্বা মপুংফানা খুদোংচাবা লৌবা ফংদ্রবদি, মদুবু অহিং-নুংথিল লেপ্পা-লৈতনা তিংখঙনা-থিন্বগুম্না ফাওদুনা লৈগদবনি । ফাইলশিং লৈজরবসু অমসুং জ্ঞানী পুরুষনা হায়দনা, আজ্ঞা পীদনা মদুদি ফাইলশিংবু *সমভাব* কা লোয়ন্না *নিকাল* তৌ, মদুগী আজ্ঞা অদুনা ধর্ম নত্রনে ? মদুদি ঐখোয়গী ধর্মনি । তৌইগুম্বসুং মসি, তিংখঙ-তিন্বগুম্না ফাওবা অসি লৈগদবনি, মদুদি অসিগুম্বা ফাইল অসি হন্থনবা, মরমদি ঐনা খুদোংচাবা ফংবা ঙম্নবা ।

## মহাক অদুগী মমাঙদা লাক্কনি মহাবিদেহ ক্ষেত্র!

কনাগুম্বনা মসিদা অশেংবা আত্মাগী লক্ষ ফমলবদি, মহাক মসি ভারত ক্ষেত্রদা লৈবা ঙমলোই । কনাগুম্বনা আত্মা লক্ষ ফমলবদি, মহাক

মহাবিদেহদা শোয়দনা য়ৌগনি অসিগুম্বা নিয়মনি ! মসিদা মসি দুষমকাল (কলিয়ুগ) মতম অসিদা লৈবা ঙমলোই । মসি অশেংবা আত্মাগী লক্ষ ফমলবদি, মহাক মহাবিদেহ ক্ষেত্রদা মপোক অমতং নত্রগা মপোক অনিরক্তা, তির্থঙ্করগী দর্শণ তৌদুনা মোক্ষতা চৎকনি, অদুগুম্বা লায়বা অচম্বা লম্বীনি মসি ! ঐহাক্কী আজ্ঞাদা লৈয়ু । আজ্ঞা অসিনা ধর্মনি অমসুং আজ্ঞা অসিনা তপ ! *সমভাব* কা লোয়ন্না *নিকাল* তৌগদবনি । মসিদা হায়রিবা আজ্ঞাশিং পুন্নমক ঙমলিবমখৈ লৈবা, মপুংফানা লৈরবদি মহাবীরগুম্না লৈবা ঙম্মী ! মসি 'রিয়েল' অমসুং 'রিলেতিব' য়েং-য়েংদুনা চৎলবদি, মতম অদুদা অদোমগী চিত্ত অতোপ্পা মফমদা লমুক্কবা লৈররোই, তৌইগুম্বসুং মতম অদুদা পুক্নিংদগী করিগুম্বা অমা থোক্লক্লবদি মদু ওইরবদি অদোম্না চাম্মনবা ওই ।

# (১৪) আজ্ঞা মঙাগী মরুওইবা !

## জ্ঞান'গী মতুংদা করম্বা সাধনা ?

**ৱাহং-হংলিবা :** মসি জ্ঞান অসিগী মতুংদা হৌজিক করম্বা মখলগী সাধনা তৌবা তাই ?

**দাদাশ্রী :** সাধনদি, মসি আজ্ঞা মঙাগী য়াথং ইল্লিদনা, মদুনি ! হৌজিক অতোপ্পা সাধনা লৈতে । অতোপ্পা সাধনদি পুনশিন্বা ওই অমসুং মসি আজ্ঞা মঙাদি নান্থোকপা ঙমহন্বা ওই ।

## সমাধি পীবা ঙম্বা, অদুগুম্বা আজ্ঞাশিংনি !

**ৱাহং-হংলিবা :** অদোমগী লৈরিবা আজ্ঞা মঙা, মসি নৎতবা অতোপ্পা করি লৈবগে ?

**দাদাশ্রী :** আজ্ঞা মঙাদি অদোমগীদমক শমবল-খাবাগুম্নি, মরমদি অদোমগী পোৎ-চৈ মনুঙদা কনামত্তনা হুদনবা । মসি শমবল অসি থম্বদগী অদোমগী মনুঙদা, ঐহাক্না পীখিবা অদুগুম্না চপ-মান্ননা, হান্নগী অদুগুম্না লৈগনি, অমসুং শমবল অদু লিংদ্রবদি কনাগুম্না মনুঙদা চংদুনা থুদেক্কনি। মতম অদুদা ঐহাক্না রিপের তৌন্বা লাকপা মথৌ তাই । মরম অদুনা মসি আজ্ঞা মঙাশিংদা লৈয়ু, লৈরিবমখৈ লেপ্পা-লৈতবা সমাধিগী ঐহাক্না গেরেনটি

পীগে ।

ঐহাক্কী ৱাহৈমঙা অদোমবু ঙাকথোক্লবগীদমক্তা পীবনি । মসি জ্ঞান অসি ঐহাক্না অদোমদা পীরে অমসুং ‘খাইদোকপগী জ্ঞান’দগী ‘তোঙান্নসু’ খাইদোকলি । তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি মদু ‘তোঙান্না’ লৈনবা, হায়বদি প্রোতেকশন পীরিদনা মদুনা মরম ওইদুনা মসি মতম কলিয়ুগনিদনা, মদুগী কলিয়ুগনা হুরান্দনবা পুন্নমক । ‘বোধমরু’ হৌরবদি ইশিং-মাইশিং চায়বা মথৌ তাইদনা ? শমবল খজিন্বা মতৌ তাইদনা তাদব্রনা ?

## লেংদবা পান্দম থক্তনা ইনহল্লী আজ্ঞা

দাদাগী আজ্ঞা ইনগনি হায়বসিনা খ্বাইদগী অচৌবা পোৎনি । ঐহাক্কী আজ্ঞা ইন্নবা পান্দম লেপকদবনি । অদোম্না আজ্ঞা ইনব্রা নত্রগা ইন্দব্রা মদু য়েংগদবা নত্তে । আজ্ঞা ইনলিবমখৈ মদুখৈ অচুম্বনি, তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না লেপগদবনি আজ্ঞা ইনগনি হায়না ।

**ৱাহং-হংলিবা :** য়াম্বা-য়ামদনা ইল্লবদি, মদুদা করিগুম্বা অশোয়-অঙামদি নত্তেদনা ?

**দাদাশ্রী :** ‘অশোই-অঙাম নত্তে’, অদুম্না হায়বা নত্তে । ঐখোয়না লেংদবা পান্দম লেপ্লবদি মদুদি আজ্ঞাবু য়াথং ইনগে হায়না । অয়ুক্তগী পান্দম লেপকদবনি মদুদি ‘আজ্ঞা মঙাদা শোয়দনা লৈগনি, য়াথং শোয়দনা ইনগনি’ । পান্দম লেপ্লবদি মতম অদুদগী ঐখোয়না আজ্ঞাদা লাক্লে, ঐহাক্না মদু থক্তা পাম্মী। য়াথং ইন্বা ঙমদ্রবদি, মদুগী মরম ঐহাক্না থঙই । ঐখোয়না ইনগনি, অসিগুম্বা লেংদবা পান্দম অসি লেপকদবনি ।

ঐহাক্কী জ্ঞান অসিদগী মোক্ষ শুংশোয়-শোয়দনা ওইগনি । করিগুম্বা কনাগুম্বনা আজ্ঞাদা লৈরবদি মহাক্কী মোক্ষ ওইগনি, মদুদা ৱাফম অনি থোক্তে । মতুংদা কনাগুম্বনা ইনদ্রবদি, তৌইগুম্বসুং মহাক্না জ্ঞান লৌবা ওইরবদি, মদু ওইরবদি হৌদনদি লৈরোয় । মরম অদুনা মীয়াম্না ঐঙোন্দা হায়, ‘জ্ঞান ফংলবা মীওই থরানা আজ্ঞাগী য়াথং ইন্দ্রবদি, মখোয়শিংগী করি ওইগনি ? ঐহাক্না হায়, মদু অদোম্না য়েংগদবা নত্তে । মদু ঐহাক্না য়েংবা মথৌ তাই । জ্ঞান ঐহাক্কী নাক্তগী লৌথিবনিদনা ! অদোমগী

অমাঙবদি ওইদেদনা !’ মরমদি পাপশিংবু কোকহন্দনদি লৈবা ঙমদে । ঐহাক্কী মসি ৱাহৈ মঙা অসিদা লৈরবদী য়োৌবা ঙমগনি । ঐহাক্কা লেপ্পা– লৈতনা ৱাহৈ মঙা অসিদা লৈ অমসুং ঐহাক্কা লৈবা মদুগী ‘দশা’ অদোমদা পীরি । আজ্ঞাদা লৈরবদি থবক ওইগনি । মশাগী হৈ–শিংবদগী মপোক লাক্ষ অমা মকোক থুগায়রবসু করিমত্তা ওইথোক্লোই । মহাক অদুদি আজ্ঞাসু মশাগী হৈ–শিংবদগী ইল্লি । আজ্ঞাসু মতুংদা খঙই মশাগী খঙবদগী ওইনা মহাক্কা ! মরমদুনা মদুদসু খরা–খরাদি লিকেজ ওই । মদু ওইজরবসু আজ্ঞা ইন্বগী মতুংদা মহাক্কী মশাগী ৱিখল্লোনদি মসিনিদনা মদুদি ‘আজ্ঞা ইনগনি’ । মরম অদুনা জাগৃতিগী দরকার ওই ।

আজ্ঞা ইন্বা কাওরবদি প্রতিক্রমন তৌগদবা । কাওবদি ওই মীওইবনিনা । তৌইগুম্বসুং কাওবা অদুগী প্রতিক্রমন তৌগদবনি মদুদি, ‘হে দাদা, পুং অনি কাওখ্রে, অদোমগী আজ্ঞা কাওখ্রে । তৌইগুম্বসুং ঐহাক্কীদি আজ্ঞাবু ইন্বা অসিনি ঐহাকপু ঙাকপীয়ু ’। মদু ওইরবদি মতুংগী পুন্নমক পাস । চাম্মাগী মনুঙদা চামা মার্ক পুন্না । হায়বদি খুদোংথিনিংঙাই লৈত্রে । আজ্ঞাদা লাক্লবদি মালেম পুম্বনা শোক্লরোই । ঐহাক্কী আজ্ঞা ইল্লবদি হায়বদি অদোমদা করিমত্তা শোক্লরোই । আজ্ঞা পীরিবা অদুনা র্কম লৈগদ্রা ? লৈরোই, মরমদি মীয়ামগী দমক্তনিনা, মরম অদুনা মঙোনদা শোক্তে অমসুং ডীজোল্ব ওই ।

## মসিদি ভগৱানগী আজ্ঞানি !!!

দাদাগী আজ্ঞা ইন্বা হায়বদি মসি ‘এ.এম.পতেলগী আজ্ঞা নত্তে । ‘দাদা ভগৱান’ মশামক্কীনি, লোক তরামরিগী মপু, মহাক্কী আজ্ঞানি । মদুগী গেরেনটি পীগে? মসিদি ঐহাক্কী মাধ্যাম মসিদগী ৱাফম পুম্বা থোক্লক্লি। মরম অদুনা অদোম্না মদুগী আজ্ঞা অদুবু ইনগদবনি। ‘ঐহাক্কী আজ্ঞা নত্তে, মসি দাদা ভগৱানগী আজ্ঞানি। ঐহাকসু ভগৱান মহাক্কী আজ্ঞাদা লৈদনা !

**–জয় সচ্চিদানন্দ**

# নুঙতিগী তৌগদবা

## প্রতঃ বিধি

- ❖ শ্রী সীমনধর স্বামীবু খুরুমজরি । (৫)
- ❖ বাৎসল্যমুর্তি শ্রী দাদা ভগৱানবু খুরুমজরি । (৫)
- ❖ লৈরিবা পুক্লিং-ৱাহৈ-হকচাংদগী মসি জগৎ অসিগী কনাগুম্বা জীব অমত্তবু খজিক্তংফাও নুঙঙাইতবা ওইগনু ,নুংঙাইতবা ওইগনু, নুংঙাইতবা ওইগনু । (৫)
- ❖ অশেংবা আত্মা অনুভব থক্ত নত্তনা মসি জগৎ অসিগী করিগুম্বা মাঙবা-নায়বা পোৎ অমত্তা ঐহাক্না পাম্দে । (৫)
- ❖ প্রগত জ্ঞানি পুরুষ ‘দাদা ভগৱানগী আজ্ঞাদা মতম চুপ্পদা লৈন্নাবা থ্বাইদগী অৱাংবা শক্তি ফংবা ওইয়ু, ফংবা ওইয়ু, ফংবা ওইয়ু। (৫)
- ❖ জ্ঞানি পুরুষ ‘দাদা ভগৱানগী বীতরাগ বিজ্ঞান চপ-চানা, মপুংফানা, সর্বাঙ্গ মওংদা জ্ঞান থক্তা, দর্শণ থক্তা অমসুং চারিত্র থক্তা ইশাদা ফাওবা ওইয়ু, ইশাদা ফাওবা ওইয়ু, ইশাদা ফাওবা ওইয়ু । (৫)

## নমস্কার বিধি

- ★ প্রত্যক্ষ দাদা ভগৱানগী সাক্ষীদা হৌজিক মহাবিদেহ ক্ষেত্রদা লৈরিবা, তীর্থঙ্কর ভগৱান শ্রী সীমনধর স্বামীবু থ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি । (৪০)
- ★ প্রত্যক্ষ দাদা ভগৱানগী সাক্ষীদা হৌজিক মহাবিদেহ ক্ষেত্র অমসুং অতোপ্পা ক্ষেত্রদা লৈরিবা ‘ওঁ পরমেষ্টি ভগৱানশিং’বু থ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি। (৫)
- ★ প্রত্যক্ষ দাদা ভগৱানগী সাক্ষীদা হৌজিক মহাবিদেহ ক্ষেত্র অমসুং অতোপ্পা ক্ষেত্রদা লৈরিবা ‘পন্চ পরমেষ্টি ভগৱানশিং’বু থ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি। (৫)
- ★ প্রত্যক্ষ দাদা ভগৱানগী সাক্ষীদা হৌজিক মহাবিদেহ ক্ষেত্র অমসুং অতোপ্পা ক্ষেত্রদা বিরাজমান ওইরিবা ‘তীর্থঙ্কর সাহেবশিংবু’ থ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি । (৫)
- ★ বীতরাগ শাসন দেব-দেবীশিংবু থ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি । (৫)
- ★ নীষ্পক্ষপাতী শাসন দেব-দেবীশিংবু থ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি । (৫)

★ কুনমরি তীর্থঙ্কর ভগৱানশিংবু খ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি । (৫)

★ 'শ্রী কৃষ্ণ ভগৱান'বু খ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি। (৫)

★ ভরত ক্ষেত্রদা হৌজিক লৈরিবা সর্বজ্ঞ শ্রী 'দাদা ভগৱানবু' খ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি । (৫)

★ 'দাদা ভগৱান'গী সমকিতধারী মহাত্মাশিং পুন্নমকপু খ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি । (৫)

★ ব্রহ্মান্দ পুম্বদা লৈরিবা জীব খুদিংমক্কী 'রিয়ল' শক্তমবু খ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি । (৫)

★ 'রিয়ল' শক্তম অদুদি ভগৱত শক্তমনি । মরম অদুনা জগৎ পুম্ববু 'ভগৱত শক্তম'দা দর্শণ তৌরি । (৫)

★ 'রিয়ল' শক্তম অদুদি অশেংবা আত্মাগী শক্তমনি । মরম অদুনা জগৎ পুম্ববু 'অশেংবা আত্মাগী শক্তম'দা দর্শণ তৌরি । (৫)

★ 'রিয়ল' শক্তম অদুদি তত্ব শক্তমনি । মরম অদুনা জগৎ পুম্ববু 'তত্ব জ্ঞান'দগী দর্শণ তৌরি । (৫)

(হৌজিক লৈরিবা তীর্থঙ্কর শ্রী সীমনধর স্বামীবু মতোনলোম্না খুরুমজনিংঙাই ওইরবা শ্রী দাদা ভগৱানগী মাধ্যমদগী প্রত্যক্ষ খুরুমজববু য়ৌহল্লী । ব্রেক্টে মনুঙদা ইরিবা মশিংগা চপ মান্ননা নোংমদা অমুক্তং পাগদব ।)

**কলম মাপনশিং (৯)**

১. হে দাদা ভগৱান ! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাদা থকজীক্তংফাও অহম নুংঙায়তবা তৌদবা, নুংঙায়তবা তৌহন্দবা নত্রগা নুংঙায়তবা তৌরিবা অদুদা অনুমোদনা তৌদনবা অদুগুম্বা মতোনলোমল্বা শক্তি পীয়ু । ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাদা থকজীক্তংফাও অহম নুংঙায়তবা তৌদনবা অদুগুম্বা স্যাদবাদ ৱাহৈ, স্যাদবাদ ব্যবহার অমসুং স্যাদবাদ ৱাখল্লোন তৌন্নবগী মতোনলোমল্বা শক্তি পীয়ু ।

২. হে দাদা ভগৱান ! ঐহাক্না করিগুম্বা ধর্মগী ৱাখল্লোনবু থকজীক্তংফাও নুংঙায়তবা তৌদবা, নুংঙায়তবা তৌহন্দবা নত্রগা নুংঙায়তবা তৌরিবা অদুদা অনুমোদনা তৌদনবা অদুগুম্বা মতোনলোমল্বা শক্তি পীয়ু । ঐহাক্না করিগুম্বা ধর্মগী ৱাখল্লোনবু থকজীক্তংফাও নুংঙায়তবা তৌদনবা অদুগুম্বা স্যাদবাদ ৱাহৈ, স্যাদবাদ ব্যবহার অমসুং স্যাদবাদ ৱাখল্লোন তৌন্নবগী মতোনলোমল্বা শক্তি পীয়ু।

৩. হে দাদা ভগৱান ! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা উপদেশক সাধু, সাধবী নত্রগা আচারয়বু অবর্ণবাদ(নিন্দা), অপরাধ, অবিনয় তৌদনবা মতোনলোমল্বা শক্তি পীয়ু ।

৪. হে দাদা ভগৱান ! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাবু থকজীক্তংফাও পামদবা ফাওবা, য়েংথিনবা কৈদৌনুংদা তৌদনবা, তৌহন্দন্বা নত্রগা তৌরিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদনবা অদুগুম্বা মতোনলোমল্বা শক্তি পীয়ু ।

৫. হে দাদা ভগৱান ! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাগা লোয়ন্না অকনবা লোন, খোনজেল য়াক্না-ঙাংবা লোন ঙাংদনবা, ঙাংহন্দনবা নত্রগা ঙাংলিবগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদনবা অদুগুম্বা মতোনলোমল্বা শক্তি পীয়ু । কনাগুম্বনা অকন্বা লোন, খোনজেল য়াক্না-ঙাংবা লোন ঙাংলগদি ঐহাক্না মীনুংশি চেন্বা-ইংনা ঙাংবা লোন ঙাংন্বগী মতোনলোমল্বা শক্তি পীয়ু ।

৬. হে দাদা ভগৱান ! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মাগী মথক্তা নুপী, নুপা নত্রগা নপুংসক, লিঙ্গধারি অমা নত্রগা অমবু ওইরবসু, মহাক্কী মরি লৈনবদা থকজীক্তংফাও লৌনা লৈনবগী দোষ, অপাম্বা, শোকনা-শন্নবা নত্রগা ৱাখল্লোগা মরি লৈনবা দোষ তৌদবা, তৌহন্দবা নত্রগা তৌরিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদন্বা অদুগুম্বা মতোনলোমল্বা শক্তি পীয়ু । ঐহাকপু লোইবা-নাইদনা নির্বিকার লৈন্নাবা শক্তি পীয়ু ।

৭. হে দাদা ভগৱান ! ঐহাক্না করিগুম্বা মহাও অমত্তদা চানিংবগী মীহৌবা ওইদনবা শক্তি পীয়ু । মহাও খুদিংমকপু চান্নাবগী মতোনলোমল্বা শক্তি পীয়ু ।

৮. হে দাদা ভগৱান ! ঐহাক্না কনাগুম্বা হকচাং ওইরিবা জীবাত্মা হৌজিক লৈবা নত্রগা লৈত্রবা, হিংলিবা নত্রগা লৈখিদ্রবা, কনাগুম্ববু থকজীক্তংফাও অবর্ণবাদ(নিন্দা), অপরাধ, অবিনয় তৌদনবা, তৌহন্দন্বা নত্রগা তৌরিবা অদুগী মথক্তা অনুমোদনা তৌদন্বা অদুগুম্বা মতোনলোমল্বা শক্তি পীয়ু ।

৯. হে দাদা ভগৱান ! ঐহাক্না জগৎপু য়াইফবা ওইবদা নিমিত্ত ওইনবগী মতোনলোমল্বা শক্তি পীয়ু, শক্তি পীয়ু, শক্তি পীয়ু ।

(অসিথক্তং অদোম্না দাদাগী মনাক্তা নিগদবনি । মসি নুংতিগী পাগদবা পোৎ নত্তে, থামোইদা থমগদবনি । মসি উপয়োকপুর্বক ৱাখল্লোদা থমগদবা পোৎনি। অসি থক্তাদা শাস্ত্র পুম্নমক্কী নুঙগী ওইবা ৱাখল্লোন ফংলে ।)

## জ্ঞান সাক্ষাতকার ফংন্নবগীদমক ব্যবহার বিধি

## ( নোংমদা অমুক্তং পাগদব )

প্রগত ‘জ্ঞানী পুরুষ’ দাদা ভগৱানবু খ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি, খুরুমজরি, খুরুমজরি ।

প্রগত ‘জ্ঞানী পুরুষ’তগী ‘সত’ ফংলিবশিংবু, ‘সতপুরুষশিংবু’ খ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি, খুরুমজরি, খুরুমজরি ।

নীষ্পক্ষপাতী ‘দেব-দেবীশিং’ পুন্নমকপু খ্বাইদগী ৱাংবা ভক্তিগা লোয়ন্না খুরুমজরি, খুরুমজরি, খুরুমজরি ।

হে প্রগত জ্ঞানী পুরুষ ! অমসুং হে সতপুরুষশিং ! ঙসি মসিদা চাকলিবা মৈদা চাকথেকলীবা জগৎপু য়াইফবা তৌরো, য়াইফবা তৌরো, য়াইফবা তৌরো । অমসুং মদুদা ঐ নিমিত্ত ওইগে অসিগুম্বা অশেংবা ৱাখল্লোনগা লোয়ন্না অদোমগী মাঙদা পুক্নিং, ৱাহৈ, হকচাংগী অপুন্বগা লোয়ন্না প্রাথনা বিধি তৌরি । মদুবু খ্বাইদগী ৱাংবগা লোয়ন্না মাইপাকপা ওইয়ু, ওইয়ু, ওইয়ু ।

হে দাদা ভগৱান ! অদোমগী অশেংবা জ্ঞানদা উথিবা অমসুং অদোমগী শ্রীমুখ’দগী প্রগত ওইখিবা অশেংবা জ্ঞান সুত্রাশিং অসি অসিগুম্বনি :-

‘‘পুক্নিং, ৱাহৈ, হকচাংগী লেপায়মান ৱাখল্লোন পুন্নমক, মদুদগী ‘অশেংবা চেতন’ মতম লৈবা থিবিক্তা নির্লেপ ওই ।’’ (৩)

‘‘পুক্নিং, ৱাহৈ, হকচাং পুন্নমক্কী অপুন্বা কৃয়াশিংদগী ‘অশেংবা চেতন’ তশেংনমক্কী অসঙ্গ ওই ।’’ (৩)

‘‘পুক্নিং, ৱাহৈ, হকচাংগী হৈনবি অমসুং মথোয়গী স্বভাবপু ‘অশেংবা চেতন’ খঙই অমসুং মশাগী স্বভাবপুসু ‘অশেংবা চেতন’ খঙই । মরমদি মহাক্তি স্ব-পর (স্বগী মপান্দসু) প্রকাশক ওই ।’’ (৩)

‘‘চারিবনা চাবা ওইরি অমসুং চাদবা ‘অশেংবা চেতন’ মদুবু খঙবা খক্তা ওই ।’’ (৩)

‘‘স্থুল সংয়োগ, সুক্ষ্ম সংয়োগ, ৱাহৈগী সংয়োগ পর নি অমসুং পরাধীননি, অমসুং ‘অশেংবা চেতন’ মদুগী জ্ঞাতা-দ্রশ্টানি।’’ (৩)

‘‘স্থুলতমদগী সুক্ষ্মতমফাওবগী সংসারিক অবস্থশিং খুদিংমক্কী ‘অশেংবা চেতন’ জ্ঞাতা-দ্রশ্টা খক্তনি, টংকোৎকীর্ণনি, নুংঙাইবা শক্তম্নি ।’’ (৩)

''পুক্নিং, ৱাহৈ, হকচাংগী অবস্থশিং মহৌশাগী খুৎশেম্নি থক্তনি (Only Scientific Circumstantial Evidence)নি । মসিগী শেম্বি-শাবিবা কনাগুম্ব মপা অমত্তা লৈতে অমসুং মদু 'ব্যবস্থিত'নি । (৩)

''নিশ্চেতন চেতনগী গুণ অমফাও 'অশেংবা চেতন'দা লৈতে অমসুং 'অশেংবা চেতন'গী গুণ অমফাও নিশ্চেতন চেতনদা লৈতে । অনিমক মতম লৈবা থিবিক্তা তোঙান-তোঙাননি ।'' (৩)

'' লেংবা-নায়বগা মরী লৈনবা ৱাখল্লোন, মদু নিশ্চেতন চেতনগী ৱাখল্লোননি অমসুং'অশেংবা চেতন'গী লেংদবা অদুদি মহাক্কী ৱাখল্লোন নত্তে ।'' (৩)

হে প্রভু ! অজ্ঞান ওইবনা ঐহাক্না 'অশেংবা চেতন'গী ৱাখল্লোন মথক্তা পীরিবা সুত্রাশিংগী মতুং ইন্না 'অসিগুম্বনি' অসুম্না চপ-চাবা মওংদা, অশেংবদা ওইগদবা অদুগা চপ-মান্ননা, খঙদে, মরমদি নীষ্পক্ষপাতী ৱাখল্লোনদগী ঐহাক্না ইশামকপু য়েংবা মতমদা খঙই মদুদি ঐহাক্কী মনুঙদগী অশান্তি অসিদা নত্তনা অশাওবা মাঙদ্রি, হে প্রভু ! মরমদুনা ঐগী মনুঙগী অশান্তিবু মাঙহন্নাবা মতোনলোমল্বা শক্তি পীবিয়ু । হৌজিক ঐহাক্কী অশেংবা ৱাখল্লোনশিং অসিগা চপ-মান্ন খঙবা নত্তনা অতোপ্পা থবক অমত্তা লৈত্রে । ঐ মোক্ষ থক্তবু পামবনি । মসিগা লোয়ন্না ঐহাক্কী লেংদবা অপাম্বনি মদুদি ঐ 'সত পুরুষ কী বিনয়' অমসুং 'জ্ঞানী পুরুষ'কী পরম বিনয়'দা লৈদুনা, ঐ কৈসু খঙজদে, অসিগুম্বা ৱাখল্লোনদা লৈবা ।

মথক্কী জ্ঞানসুত্রাগী মতুং ইন্না অশেংবা ৱাখল্লোন ঐগী শ্রদ্ধা অমসুং জ্ঞানদা লাকপা ঙমদে । করিগুম্বা মসি ৱাখল্লোন অসি ঐগী লেংদবা শ্রদ্ধা লাক্লবকান্দা মতম অদুদা ঐ ইশাদা ফাওগনি মদুদি ঐহাক্না চপ-চাবা সম্যক দর্শণ ফংলে । মসিগীদমক্তা মরু ওইবাঃ পোৎ অনিগী দরকার ওই :-

১) 'ঐ পরম(মতোম্লোমল্বা) অশেংববু খঙবা থক্ত পাম্বনি ।' মসিগী ৱাখল্লোন ।
২) 'মতোনলোম্বা-অশেংবা' 'জ্ঞানী পুরুষ'গী আজ্ঞাবু মপুংফানা নিংজবা থক্তদগী ফংই ।

'জ্ঞানীপুরুষ'গী প্রত্যক্ষ য়োক নত্তনা অতোপ্পা লম্বী অমত্তা লৈতে । মরম অদুনা প্রত্যক্ষ 'জ্ঞানীপুরুষ'পু থিবা অমসুং মহাক্কী য়োক ফংবগা লোয়ন্না ঐনা মহাক্কী আজ্ঞাবু নিংজদুনা লৈনবগী অকনবা-লেংদবা ৱারেপ লৌরি । মরমদুনা ঐগী থবক অসিবু মায়পাকপা ওইয়ু, মায়পাকপা ওইয়ু, মায়পাকপা ওইয়ু ।

◆◆◆◆◆

**Books of Dada Bhagwan**

| | |
|---|---|
| 1.Adjust Everywhere<br>2.Ahimsa : Non-Violence<br>3.Anger<br>4.Aptavani-1<br>5.Aptavani-2<br>6.Aptavani-4<br>7.Aptavani-5<br>8.Aptavani-6<br>9.Aptavani-8<br>10.Aptavani-9<br>11.Autobiography of Gnani Purush A.M Patel<br>12.Avoid Clashes<br>13.Brahmacharya<br>14.Death : Before, During & After<br>15.Flawless Vision<br>16.Generation Gap<br>17.Harmony in Marriage<br>18.Life Without Conflict<br>19.Money<br>20.Noble Use of Money | 21.Pratikraman<br>22.Pure Love<br>23.Right Understanding to Help Others<br>24.Science of Karma<br>25.Science of Speech<br>26.Shree Simandhar Swami : The Living God<br>27.The Essence Of All Religion<br>28.The Fault Is Of The Sufferer<br>29.The Guru and The Disciple<br>30.The Hidden Meaning Of Truth & Untruth<br>31.The Practice Of Humanity<br>32.Trimantra : The mantra that removes all the worldly obstacles<br>33.Whatever Happened is Justice<br>34.Who Am I ?<br>35.Worries |

❖ Dada Bhagwan books are availables in different languages :Gujarati, Hindi, English, Marathi, Telegu, Kanada, Oriya, Malayali, Bengali, Punjabi, Assamese, Tamil, German, Spanish, Russian etc

❖ 'Dadavani' Magazine is published Every month in three Languages :Gujarati, Hindi, English.

Website : www.dadabhagwan.org

## Persons to Contact

**Dada Bhagwan Parivar**


**Adalaj** : Trimandir ,Simandhar City ,Ahmedabad-Kalol Highway , Po/Adalaj , Dist.: Gandhinagar-382421, Gujarat, India.
Tel: +91-9328661166/ 9328661177
Email :info@dadabhagwan.org

| | | | |
|---|---|---|---|
| **Mumbai:** | 9323528901 | **Delhi:** | 9810098564 |
| **Kolkata:** | 9830093230 | **Chennai:** | 9380159957 |
| **Jaipur:** | 9351408285 | **Patna:** | 7352723132 |
| **Bhopal:** | 9425024405 | **Amravati:** | 9422915064 |
| **Indore:** | 9039936173 | **Bangalore:** | 9590979099 |
| **Raipur:** | 9329644433 | **Hyderabad:** | 9989877786 |
| **Chandigarh:** | 9780732237 | **Pune:** | 9422660497 |
| **Kanpur** | 9452525981 | **Jalandhar**: | 9814063043 |
| **Bhubaneswar** | 8763073111 | **Sangli:** | 9423870798 |
| **Varanasi** | 9795228541 | | |

| | |
|---|---|
| **U.S.A:Dada Bhagwan Vignan Institute**<br>Tel:+1 877-505-DADA(3232)<br>Email: info@us.dadabhagwan.org | **U.K: Dada Darshan (UK)**<br>Tel: +44 330-111-DADA(3232)<br>Email: info@uk.dadabhagwan.org |
| **Germany** :+49 700 32327474<br>**UAE:**+97 1557316937<br>**Kenya:**+25 4722722063<br>**Dubai**: +971 501364530 | **Australia**:+61 421127947<br>**New Zealand**:+6421 0376434<br>**Singapore:** +65 81129229 |


***Scan this QR code using QR scanner app to download free manipuri language ebooks from dadabhagwan ebook store.***

**www.dadabhagwan.org**



## পুন্সিগী পানদম

করিগুম্বা মসি সংসার অসিবু অদোমদা অয়েৎপা ওইহনবদি মতুংদা করিগুম্বা অমত্তা থগুবগী মথৌ তাদে অমসুং সংসার ঐথোয়দা অয়েৎপা ওইবা ওইরগদি ঐথোয়না অধ্যাত্মা থগুবগী মথৌ তাই। অধ্যাত্মাদা 'ইশাগী অশেংবা মশক' অদুবু থগুবা মথৌ তাই। 'ঐ কনানো' মসি থগুলবদি পজল খুদিংমক সোন্না ওইরগনি।

-দাদাশ্রী

dadabhagwan.org

9 789390 664399

Printed in India

Price ₹25